নবদ্বীপচন্দ্রগী খোঞ্জিনবা শৈরেং



মণিপুর নহারোল সাহিত্য সভা

নবদ্বীপচন্দ্রগী খোমজিনবা শৈরেং

মণিপুর মহারোল সাহিত্য সভা

কোঙদোকচবা : মণিপুর নহারোল সাহিত্য সভা, ইম্ফাল

খোমজিন্নবা : পোৎসংবম লালমনি
জেনেরেল সেক্রেটরি, মণিপুর নহারোল সাহিত্য সভা।

অহানবা খুৎনম : নভেম্বর ৬, ১৯৮০ ইং।
কপি : লিশিং অমগা চামা।

অহানবা খুৎনমগী হক পুম্বা
মণিপুর নহারোল সাহিত্য সভাগীনি।

মমল : লুপা নিপানতনি।

নম্ফম : ভাগ্যবতি কার্য্যালয়া
চূড়াচান্দ প্রিন্টিং ৱার্কস, ইম্ফাল।

ৱাহৈ খরদং

অনৌবা মৈতৈলোনগী অইবশিংগী মনুংদা লময়ানবা লৈখিদ্রবা অশৈবা হৱাইবম নবদ্বীপচন্দ্রগী ৮৩শুবা মপোক নুমিৎ নবেম্বর ৬, ১৯৮০ ইং অসিদা অশৈবা অসিনা ইবিরম্বা শৈরেং ২৯ য়াওবা "নবদ্বীপচন্দ্রগী খোমজিনবা শৈরেং" কৌবা লাইরিক মচা অসি ময়ামগী মকমদা লাম্থোকচরি।

খোমজিন্নরিবা শৈরেংশিং অসি অমমম-অনিতা ওইনা চেফোঙশিং অমদি লাইরিক কয়াদা হাম্লনা ফোঙথ্রবনা অয়াম্বনি। ঙসিদগী চহি য়াম্মৈরোমগী মমাঙদা লৈরম্বা অশৈবগী লাইরিকশিং অমদি খুৎইশিং অতুদি অনিশুবা লাপ্পাওদা অয়াম্বা মাঙনখ্রে। মরম অদুনা অশৈবগী অফগু-অফঙবা শৈরেংশিং অসি য়াম্না ঋনা খোমজিনদুনা পিরুবা লাইরিক মচা অসি পুথোকচখিবনি।

শৈরেংশিং অসি থিজরকপদা অশৈবগী মচা ইবুংঙো অহল হৱাইবম রণবীরনা 'তোমু লাইজিংলেম্বী থাবল ঈশৈ' কৌবা নমথোক্লবা লামায় মরিথক পীবিরকই। মসিবু মপুং ফানবা অমুক থিজরকপদা রাজকুমার স্নাহল বি কোম গা মমৈথঙদা উন্নজখি। স্নখ্যা অ'সনা হায়রিবা লাইরিক অসিগী মপুংফাবা অদু খুৎইদা পীবিরকই। হায়রিবা খুৎই অসিদি মালোমদা লৈবিরম্বা য়ুমথাইবম ৺মাধবী, খোইরুংবনা থাবল ঈশৈগী মওংদা চিনফা ওইনা শক্লম্বদগী মওং অমত্তা কায়দনা ইং ১৯৫২ অদুরাইদা ইথোকপিরম্বনি। মতুবু অমুক চানবিবা ওইনা স্নখ্যা অসিনা পীবিরকখিবনি। হায়গী অনম্বা লাম.য়শিং অদুগা অকোননদা ফওজবা খুৎই অসিগা মতাং চান্নহন্দুনা চাংদমহনুনা য়েংজনা মপুঙ্গা মাম্নরবনু য়াহৈ রাতাগী

লোইশিনবনচিংবদা খরদং মান্নদবা উজবদগী শৈরেং অসিদি হাপ-চিঞ্জনবগী পাঙ্গল লৈজদ্রে। অদুবু অশৈবগী মচা ইবুংঙোনা পীবিরকপা শরুক খরা অদুদগী লৌখৎচদুনা লাইরিক অসিদা অহানবা শৈরেং ওইনা হাপচরি। অদুমকপু পনজখ্রিবা চিনফা কাহৌবদগী ইথোক-পিরম্বা অদুস্থ ফজবগী চাং য়াম্না য়াওরি। মসিদগী নবদ্বীপচন্দ্রনা ইবিরম্বা লাইরিক অদু মতম অদুদা মীয়াম্না য়াম্না পাম্নবা, মী অয়াম্বনা ঈশৈ ওইনা থাবল চোংবনচিংবদা চিনফা পুনদুনা শরুয়মই হায়বসি মরেক শেংতল্লি।

মথংদা অতোপ্পা শৈরেং 'ইরোল' কৌবা অমা থেংনৈজে। মসি ইকাই খুম্নজরবা হাওবম ইবুংঙোয়াইমাদগী ফংজবনি, লোয়ননা মশামক্না ইং ১৯২৩ দা ক্লাস আইট তাম্লৈঙদা স্কুলগী শৈরেং থিবা তাম্নবা অমদা শৈরেং অসি থিদুনা শরুক য়ারকখিস্থ তাকপিরকই। হৌজিক কাওবা শৈরেং অসিগী পরেং খরদি চিনফা কাদুনা লৈবিরম্বদগী মখাগী পরেংশিং ফ'স তাকপিরকখি ঃ—

ইরোল

"মৈতৈ মমা ওইরিবী
মৈতৈলোন লাইরবী
ভরত শঙ্গাই নাকথদা
অহংবা লৈপাক মথক্তা
পোমফি অমা থক্তা-কুপ
পোমফি অমা খাদ থা
ফিদা নাইগুম তারিবী
অঙাংগী লরুফম ওইরবী"

শৈরেং অসিগী মরমদা মথং অয়ুক কুপ্পা থিজিন্নরুবদা অশৈবগী মচা ইবুংঙো মণবীরন, মখাগী পারেংশ, অসি অমুক হাপচিনবী:—

"মৈতৈ লোন শেমগৎনবগী লম্বী
শংত্রেনা ফিবান ওইরগা
জাতি চমেলী ভায়োলেট
মকম চানা লেংশিল্লু।
মীয়োন ভাংবগী কান্নবা
লৈকাই নুব্রা শকহেনবী
ইমা হাঙ্গনা কৌরুবা
হন্নমক্তা য়েংলমদে,
লৈপুংনা কাওরেন শারুবা
মো হাঙ্গনা থোংলক্তে।"

অহুমকপু অশৈবগী মশাগী থৃংই নত্রগা নমথোক্লবা শৈরেং অহুমক ফংজদবা ময়মনা লাইরিক অসিদ'দি হাপচল্রে।

থি'জঞ্জক্লবদা ফংজদ্রিবা শৈরেংশিং— 'ইরোল', 'ইমা', 'ঘড়ী', 'অঙাওবা', 'নিমাই সন্যাস', 'চিত্রাঙ্গদা' অমস্তুং বাঙ্গলা লোন্দা ইবিরম্বা শৈরেং খরা অসি কনাগুম্বা পুকচেল চাওবশিংনা থেংনবিবদগী ভাকপিরক্লবদি অমুক হন্না ফোঙদোক্লবা হোৎনজগনি।

লাইরিক অসিগী অবোইবদা হাপচল্লিবা শৈরেং 'তোল্লু লাই'জিং লেম্বী কাব্য'গী অনিশুবা ঈথক 'লৈপুন শেম্বা' হায়বা কোওখিদ্রিবা শৈরেং অসিগ লোয়ননা 'মৈতৈ লোনগী পদ্য-ছন্দ' হায়বা রারেং পরেং খরগা লোয়নবা শৈরেং অনি অসি অশৈবগী মচা ইবুংঙো রণবীরনা পীবিরকপনি। 'মৈতৈ লোনগী পদ্য-ছন্দ' হায়বসিগী অশৈবগী থৃংই অহুমক্তা পরেং নিপানথক ফোটো কোপি লাইরিক অসিদা হাপচল্লি। 'সরস্বতীবু খুরুমজবা' অমস্তুং 'শ্রীকৃষ্ণন মথুরা লেংবদা রাধাগী উক্তি' হায়বা শৈরেং অনিসিনা "য়াকাইরোল" থাগী চেক্কোঙ, ইডিটর ড'ঃ লৈরেন, অহানবা চহি, অহানবা মশিং, ওক্টোবর ১৯৩০ ইং দগী অনিশুবা চহি, অহানবা মশিং ওক্টোবর ১৯৩১ ইং কাওবদগী

লৌথোকচবনি। 'মইহৈ', 'য়া অহুম', 'হকশেল', অমসুং 'সনা খোনোং অমসুং মালিকা' হায়বা শৈরেং মরি আসনা "সাহিত্য অহানবা" হায়বা খ্বাইরাকপম চাউবা অমসুং হরাইবম নবদ্বীপচন্দ্র অনিনা ইডিট তৌবা ইং ১৯৪৭ কী মরিশুবা খুৎনম অহুদগী কংজবনি। ইং ১৯৫৮ দা আনশুবা খুৎনম লৈপ্রবা 'মেঘনাদ ভুবা কাব্য' (অহানবা সর্গ) গা লোয়ননা রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরগী 'গীতাঞ্জলি' শরুক মচা অমা ওইনা কংজে। 'শক্লোল' হায়বা শৈরেং অসিনা ফুরাইলাৎপম গৌরচন্দ্র শর্ম্মনা ইডিট তৌবা 'মীতৈ' কৌবা থাগী চেকোও, ফেব্রুয়ারী ১৯, ১৯৪১ ইং, অহানবা চহি, অনিশুবা মশিং অহুদগীনি। অতৈ লৈহৌরিবা শৈরেং ওয়াতরেৎ অসিনা 'ওসি' থাথাই অমদি চয়োলগী চেকোও, কৈশাম কুঞ্জবীহারীনা ইডিত তৌবা, অহানবা চহি, অহানবা মশিং, এপ্রিল ১৫, ১৯৪৮ ইংদগী অনিশুবা চহি নিপালশুবা মশিং ওক্টোবর ১, ১৯৪৭ ইং ফাওবগী মনুংদগী ফংজবনি। তশেংনমক অশৈবা অসগী শৈরেং ময়াম অসি ফংজরিবসি লাইরমলেন্দা তিনপ্রবা অমদি মীবমলেন্দা লৈহৌরিবা মতীক চাওরবা মীওইশিং অসিগী মপান্নি

শৈরেংশিংগী মমিংগী মতাংদা 'নশকন্থ খওদবা নমিংন্থ তাদবা', 'নহাক্কী ওইবা নশকপু ননাইদা উৎপিয়ু', 'ননাইদা পীনরে মক্ত্রবা থৌজাল', 'করি পাউনো হায়য়ু বসন্তগী য়েল্লো', 'তাকপীরি নহাকনা খুদম্না উত্তুনা', 'কাওবিরো ইবুংঙো থমোইগী মপূ', 'নুংঙাইবগী মনাই নুংঙাইবা পাম্বা', 'খনবগী লোইদবা' অমসুং 'শুক্রবা অহিংগী লুরবা থাবল' কৌবা শৈরেং মাপল অসি অশৈবনা মমিং খোনবিরমদবা মরমনা 'ওসি' চেকোওশিংদদি 'নবদ্বীপচন্দ্রগী শৈরেং' হায়না কোওলমই অহুবুল ইরিক অসিদদি শৈরেং খুদিংমক্কী অহানবা পরেং অহুমক্তা শৈরেংগী মমিং ওইনা হাপচরে। 'পুক্সিগী ইচেন্দা হোল্লি' হায়বা পরেংনা হৌবা 'পুক্সি হিদোম' কৌবা শৈরেং, লোয়মনা 'হৌপৎলেদো অনৌবা চহি (কুমজা)' হায়বা পরেংনা হৌবা 'অনৌবা

চহি' কৌবা শৈরেং অনিসিনা মথং মথং ওইনা অশাংবম মীনকেতন না ইডিট তৌহুনা ইং ১৯৭৩ দা অহুমশুবা খুৎনম পুথোকপ্রবা 'শৈরেং অথনবা' ; অমদি এলাংবম নীলাকন্ত, নোংথোম্বম শ্রীবীরেন অনিনা ইডিট তৌহুনা ইং ১৯৭২ দা অহানবা খুৎনম পুথোকপ্রবা 'পন্নিষদকী মণিপুরী শৈরেং লাইরিক' কৌবা লাইরিক অনিসিদা পীরম্বা মমিং অহুমক থমজরে।

পুথোকচরিবা পিক্রবা লাইরিক মচা অসি 'সাহিত্য-রত্ন' মিংথোল কংপ্রবা অশৈবা নবদ্বীপচন্দ্রনা পুন্সগী তাঙ্কক কয়াদা ইবিরম্বা শৈরেং-শিংগী খোমজিন্নকপা ওইবনা তোঙানা তোঙানবা বনান থেংনবিবা য়াই অমদি য়ারিবমথৈদি অশৈবা অসিগী বনান অহুমক ঙাক্লবা হোৎনজখিবনি। করিগুম্বা শোয়ন থৈনবা য়াওরবস্থ মথংগী খুৎনমদা চপচানা চুমথোক্লবা হোৎনজগনি।

অশৈবা অসিগী খুৎইদা লৈরিবা শৈরেংশিং অমদি চেকোঙ অমস্থং লাইরিক্লাচিংবদা য়াওর্ম্লিবা শৈরেংশিং অসি ইকাই খুম্নজরবা হরাইবম রনবীর, নারেংবম ইবোতোম্বী, রাজকুমার স্নাহল বি কোম, কৈশাম কুঞ্জবীহারী অমদি পোৎশংবম ৺নরজিৎনচিংবা অসিগী মতেং কওজরমত্রবদি লাইরিক অসি পুথোকপদা রানা থোক্লমগনি। মসিগী-দমক পুকচেল চাওরবশিং অসিগী মফমদা অচৌবা লমন তোনসিন্দজে।

অমুক লাইরিক মচাসি অথুবা মতমদা নম্নবা হোৎনজরকপদা ইকাই খুম্নজরবা নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র, ডাঃ চান্দম ইবোমচা, ডাঃ চান্দম ধবলো অমদি অকোইজম সুরজিৎনা চেপ্পী অরাবা লৈহনবীদনা মতেং পীবিরকপগীদমকস্থ লমন তোনশিজে।

অরোইবদা লাইরিক অসি অহানবা খুৎনম পুথোক্লবগী হক পীবিরকপা অশৈবগী মচা ইবুংঙো অহল হরাইবম রনবীর অমজি তেল্লবা মতমগী মস্থংদা লাইরিকসি পুথোক্লবা হোৎনবদা অরাবা কম্না

থাওবিখিবা পুক্চেল চাওরবা 'ভাগ্যবতি কার্য্যালয়া চুড়াচান্দ প্রিন্টিং ৱর্কস' কী ইচিল ইনাওশিংগী মতেং কংজরমঙ্ৱবদি গুসি অশৈবা অসিগী মপোক লুমিং অসিদা লাইরিক অসি ময়ামগী মকমদা লাপ্থোকপা কংজরমোই মসিগীদমক্তা লম্মন তৌনশিজরবনি।

পোৎসংবম লালমনি
জেনেরেল সেক্রেটরি
মণিপুর মহারোল সাহিত্য সভা

ইম্ফাল
নভেম্বর ৬, ১৯৮০ ইং

নবদ্বীপচন্দ্র সিংহগী মরমদা

পম্লোগী মিং হরাইবম থাবল কৌই, পলেমগী মিংনা অঙাংজাউবী কৌই। ইংফ ল সহরগী উরিপোক হাওবম দেরান লৈকাইদা শকাব্দ ১৮১৯ গী ত্রিয়াঙ্গৈ ১২নি পানবা (৬ । ১১ । ১৮৯৭ ইং) থাংজ মুমিত্তা নবদ্বীপচন্দ্র সিংহ তাইবং থোঙদারকখি। অঙাং ওইরিঙৈদা যাম্না কন্না নাখিবদগী পিক্লিনা নবদ্বীপকী মংোঙ নামা শোয়খি। অহুবু মহক্না জোনষ্টেন স্কুলদা তম্লিঙৈদা চহি খুদিংগী জিমনাষ্টিক্সকী মনা ফংখি। নীংতম্বা মণিপুরনা বৃটিশকী মখুত্তা মায়থিত্তুনা লৈখিত্রবা মহারাজ কুলচন্দ্র সিংহজীনা নিংথৌখুবম থাদোকখিবদগী থাবল সিংহগী অরাবা মুমিং পৌখি। পলেম-পম্লো অনিগী অরাবা উবদা চহিগী পরিক্ষাদা মকোক ওইরিবা নবদ্বীপ ক্লাস আইট পাস হেক তৌবগা থাংমৈবন্দ উচ্চ প্রাইমারী স্কুলগী ওজা ওইখ্রে। ওজা ওইরবা মতুংদা জ্যোতিষ শাস্ত্র তম্লিংলক্রে। মাহুগীদমক১৮ মহক্না মুমদা মরম্লাই হোৎনজহুনা বীজগণিত ট্রিকোণমিতি অমসুং জ্যোতিষ কা মরী লৈনবা গণিত শাস্ত্রগী শকক অতৈ শৈখি। ইবা পাবগী নৈনবা কনবনা 'শিক্ষা প্রাণালী'গী মরমদা ওজাশিংগী রচনা তাম্নবদা মকোক ওইহুনা স্বর্গীয় মহারাজ চূড়াচান্দ সিংহজীনা পীবিবা সনাগী মেডেল ফংখি। থাগী তলবনা যামদবনা অপীকপা উদ্যোগ কযাম্ন পায়খৎখি। চিনি অঙৌবা শুংবগী থবক খবা তৌরম্মী মণিপুরগী মনুংদা সাপোন শুংবা খাইদগী অহানবশিংগী মরক্তা মগাকম্ন অমান। অহুদগী থুংকী প্রেস মেসিন অমনবা অমা মরম্নাইগী বৃদ্ধিনা শেমগত্তুনা ছাপাখানা তৌরম্মী। মাহুদা মশানা ইজবা তম্নবা লইরিক য়াম্না কোঙখি। ছাপাখানা অসি অনিশুবা লাঙ্গাও মনুংদা কাযখিবনি। অপিকপা তলবতগী থা খুদিংগী শেন খরা খরা অরাংবা থাক্তা লাইরিক তম্বি ছাত্রগী মতেং পাংনবা খাইরম্মী। কনাগুম্বা ছাত্রগী য়াম্না নংবগী প। বদা শেল অহু থারম্মী। স্কুল

লিংথৎপনচিংবা থবক্তা থন্নাই য়াম্না য়াওরম্মি। মাগী য়ুমদা স্কুল অমা মরুপ মপাংশিংগা লোইননা তৌমিন্নরম্মী। মতুংদা মতুগী তুংথৎপা শেল অমু 'মণিপুর ইনষ্টীট্যুশন' হায়বদি হৌজিক্কী চুড়াচান্দ হাই স্কুল অসিগী ফমুংদা হাপখি। মহাক অসি হৌজিক্কী মণিপুরগী ছাত্র 'মুভমেন্ট'কী পম্বৌনি হায়বা য়াবা রা অমসু লৈ। মণিপুরগী লাইব্রিক হৈবশিং অসি রা ভাঙবদা য়াম্না শোল্লি; মীযাম তিল্লবদা রা থরতমু মীয়োন্দা নিংথি-জনা ভাঙবগী থৌনা লৈতে হায়দুনা মহাক্কা ছাত্র খরা খোমতুনা মহাক্কী য়ুমদা মুংদাংরাইরমদা ইংলিশতা রারী-রাতাই শানহনম্মী। মতুংদা গ্রেজুয়েটশিং কৌদুনা ইংলিশনা অতেনবা বক্তৃতা পীহল্লম্মী অমসুং ছাত্র-শিংসু অদুগী মতুংদা ইংলিশতা রা ভাঙবগী তাঞ্জা পীরম্মী। অদুম তৌনা নিয়ম নাইবা মিটিংগী নিয়ম অমসুং অসিগুম্বা মিটিং ভাকপা (চালাইবা) অসি মতম তত্তুদা অহানবা ওইনা ময়াম্না খঙনরকখি। মসিদগী মণিপুরগী মচি মচিদা বক্তৃতা পীনবগী অমসুং ডিবেট তৌনবগী অচোবা ঈহৌ অমা পোকখি।

থবক ময়ামগী মরক্তা লাইরিকসু ইরম্মী। অহানবা থাগী চেকোং 'য়াকাইরোল'দা চাং নাইনা কবিতা হাপ্লম্মী। য়াকাইরোলগী কবিতা ময়াম অসি নবদ্বীপ সিংহগী 'আর্লিয়র পোএমস' য়াকাই-শৈরেংশিং কৌবা য়াই। কবিতাশিং অসিদা অচম্বা মৈতৈরোলগী মশাগী ওইবা ফজবা, অচম্বা রাহৈশিং লেংশিনবদা হৈশিংবা অমসুং হৈ-শিংনা লেংশিল্লগা মখোইনা ফোঙদোকপা ওদ্বগী পাঙ্গল অদু উবা ফংই। লাইবক থীবদগী কবিগী খুৎনা ইরম্বা বোয় অদু লান মমাঙদা মী অ'তনা পান।খবদগী মাঙখরে। অদুবু অয়াম্বা শরুক্তি য়াকাইরোলদা ফোঙখরে। মণিপুরদদি থাজত্রে, কাছার, শিলেট অমসুং ত্রিপুরাদা কনাগুম্বগী য়ুমদা য়াকাইরোলগী সেট লেরবাদ কবি অসিগী য়াকাই-শৈরেংশিং অসি অমুক খোমজিন্দুনা ফোঙদোকপা য়াগনি। 'ইমা', 'ইরোল' অসিনচিংবা কবিতা খরদি য়াম্না অবৃত্তি তৌনম্নিরনি। স্কুলগী ওজাশিং কনাগুম্বগী মখুত্তা কোপী লৈরম্বা য়াই।

অসিগী মমাঙদা ছাত্র ওইরিবৈদা 'তোম্নু লাইজিংলেম্বী' কৌবা থাবল চোংবীগী ঈশৈ অমা অরিবা লোনসু য়াম্না মচন চানা য়াম্দুনা কোঙখি। মতুংদা 'তোম্নু লাইজিংলেম্বী' কৌবা অশাংবা কবিতা অমসু ইরম্মী। মতম মতমগী মতুংইন্না আবৃত্তিগী কবিতা খরসু ইখি। হৌজিকমক্তা, বসন্ত পঞ্চমীদা সরস্বতী আরতিদা ইশৈ শঙ্করিবশিং অসি কবি অসিনা লেংবনি।

অসিগী মতুংদা চহি কয়া চঙনা সংস্কৃতনা থল্লবা বাংলাগী মেঘনাদ বধ কাব্য অসি সংস্কৃত পংয়াও য়াওদনা মৈতৈরোন্দা হন্দোকপগী থবক তৌখি। অনুবাদ ওইরবসু মসি মণিপুরী সাহিত্যগী অচৌবা থুংশেম অমনি। মসিদা মণিপুরী লোনগীসু অনৌবা মীওই অমা চোংথোকখি। মেঘনাদ তুবা কাব্যগী মতুংদা মসিগী মওং হাইকেৎ মানবদা 'নিমাই সন্ন্যাস' ইখি।

রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরগী গীতাঞ্জলিগী কবিতা খরা হন্দোক্লুবদগী মহুনা ঈনশিন্দুনা 'ডিভোশনেল্ পোএম্স্' লাইনীংবগী কবিতা কয়ামরুম ইরম্মী। কবিতাশিং অসিগী মরক্তা খরদি 'ওসি থাখাইগী চেকোং'দা মথং মথং কেংওলম্মী। কবিনা ইরম্বা বোয় অহুদি প্রেস্তা মাঙখরে। ওসি থাখাইগী সেট্ কনাগুম্বনা থম্বা য়াওরবদি কোঙশ্রবা কবিতাশিং অহুমথৈদি খোমজিনবা য়াগনি। বাংলা পদাবলীদা কবিতা খরসু ইরম্মী।

লান মতমদা ইমুং থাকপগী ভাবনে, মচাশিং লংখৈদা লাইরিক তমহনবগী রাবনে মাহুনা অনাবা ওইরক্লুনা শকাব্দ ১৮৬৮ ইঙাগী কৃষ্ণা নবমী (২৩।৬।১৯৪৬) নোংমাইজিং সুমিত্তা কবিগী তাইবং খোঙচৎ থাগুথক্তা লোইশিনখি।

হঃ রঃ শঃ

৺নবদ্বীপচন্দ্রগী খুৎই

মৈতৈ লোনগী পদ্য-ছন্দ

(১)

খোংখোক থসিং তরেৎকী পদ অমা শাগদুনা,
থকোক্কী মাইদা মাতি মরম থম্লদুনা।
নপ্রে আনি অনীদা মাতি থম্মা যাগানি,
পদ হয়া কাংনা শ্লোক অমা ওইগনি।
ছন্দ পয়ার লৌগী অনিনিংবা অনিবা—,
থবা চিংবা খোংখোকনা লেংখোক আনি লৌদুনা।
মথং থংবা মান্নবা মান্নদবা যাগনি—
নবছন্দ অহানবা মথৈং আসি ওইগনি।

শ্রী [illegible]

য়াওকম

তোন্ লাইজিং লেশ্মী

(থাবল ঈশৈ)

শৈৎন থাইনবা

কদেং থাংজহনবনা
মমান ইবুঙো খুরুমই
লাইজিং লাকপী খুরমই
অতুগী মতুং থোকপদা
মরান য়াইদা লাক্লগা
তন্না মৈফম লিংখৎলে
থাংশাং অমা শারগা
থাংগী নাকল অমদা

মোইরাং নিংথৌ য়েকশিল্লে
নিংথৌগীদি ওইরোমদা
শম্লাং কোইকরুহনা
লাইজিং লেশ্মী হাপচিল্লে
থাংগী নাকল রাংমদা
হাইজবগী মতৌগুম
নিজবগী মওংগুম
খুকউ খুদক কুল্লগা
শনশা লৈমাইনহনা
থাংজহনবা য়েকশিল্লে।

অঙ্গুগী মতুং অহুদা
ইন্নুং শোরা ভাল্লেদো।
ইরু শান্দে'জরগা
চৈব অন্নবা তেংলগা
থাংগা শগা পুহনা
কলা তেল্লা কবাল্লে।
খুদিন [illegible] অমথোংদা
[illegible]
[illegible] আন [illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible] চলক্কি।
[illegible] নিংথৌনা
[illegible] অলিনু
[illegible] পৌশল্লি
[illegible] লাকপা মনাক্তদা
[illegible] আহিংদো
[illegible] মনাংদা
[illegible]
[illegible]
[illegible] হুনা
[illegible] হাজবে।
[illegible] নবনা
[illegible]
[illegible] নিংথৌনা
[illegible]
[illegible] লমাক্তে

লোইদাম অমা ওল্লগা
ওন্থোকপা অমা তৌবকই
থাজ অমা লৈরগা
অওকপা অমা পুথোকই
কয়াদা নিংথিগ্রবনো-
য়েংউনেসে তযুমশা
তযুম অচানবা নবুংওানি
ঐগী তাপোই অতোম্বা
তোম্বু লাংজিং লেংবগা
শকথং মাইং লংদো
শাগা থাংগা কংক ”
মা অচু ত বদা
কদেং থাজ ইনবদো
মক লৈদা লকপরে
শগা থাংগা শুনা
পাথৌ অন চংলকই।
কদেং থা জইনবনা
পাইম মুদা থললকই
“ভাসিগী লাংবেল নোংজাদা
মুন্না মোম্ন নকাংগা
হুবাও কুম তৌববু
পাখং ঐনা উরবা
মোইরাং অম্বক চাওবদা
নংবু হেনবা পিহুনা
মচাক হোংনা পাল্লমগে।
মিম্না থম্বাল অনিদা
তরং লাইজ চেম্মুনা

পাখং ঐগী দমকপু
নক লৈদা লুক্লবা
নশুং লাংগীদমক্তি
ওবা চিঙ্গোই মেল্লবোই
লাইজ ওখোঁ লাওংবাহ
লিনশাং যাংদা পক্লুনা
অমনগা থৱৈ কুম্লগে,
হবুধোঁ খা জিংনা খংসনু।"
মতাও অনি চলকহ
তোমু লাইজিং লেম্বীনা
চবৈ ফাক্লক খুমহুনা
গঙ্গানা ইছৌবকপগুম
মিম্না থম্বাল অনিহু
ওব লাইজ চেন্দুনা
হিক্লা হিক্লা কপ্পমই।
পাম্ন চেংলোঁ উবগা
নক লৈদা লুক্লুনা
খোংবী লৈখা যেংহুনা
লৈই ফৈগক্লহুনা
গুবা তোম্ন লৈরমই।
তোমু লাইজিং লেম্বীনা
চবৈ ফীজেৎ হোংলগা
পাখোঁ অনিদা হংলকই
"নিংথৌগী মনাই ইপুখোই
কবি রাগী লাকপনো?"
ঙাকংহনবনা হাইরকই

মহারাণী ইবেন্মা !
ননাই ঐখোই অনিবু
শকথং মাইথংবিন্নুনে
শাগা থাংগা কৎচরি।"
মুজা ভোমু শকহেনবী
নিংথৌগী মনাই অনিদা
শিংঙেল পরেং অমমম
পানা খুদপ অমমম
অসি রাবু হাইহুনা
শিংঙেন খুৎনা পিবিরে
"নিংথৌগী মনাই ইপুখোই।
পাখং ননিং থুংলরোই
ইপু রারোবিগনু।"
"ইবেন্মা করিগী রারোনি
হয়েং মতম অমদা
লৈমা কোন্দা লাঞ্জবা
নিংথৌ কাদা য়োঞ্জবা
পাখং ঐখোই অনিগী
য়াইবী থরাই কনবিয়ু।"
কদেং থাংজহনবনা
পাইমমুংদা থল্লকই
"ভোমু লাইজিংলেম্বীও।
খুৎনা থিল্লা থিলহৈদে
মিৎনা য়েংলা য়েংহৈদে
মুংশি চেংলো উত্রিঙৈ
চিম্বান ক্ষাংনা নোক্তিব্রী
লৈরাং থম্বাল কৌবিনা

মুমিৎকী খোজান কংহুনা
মকা ফম্মা শাৎলগা
খোইমুগী শরুক ওইবগুম
মুয়া পাখংদা খোকখরে।
খাংজহনবা ঐহাক্না
লেংমান্নবা খোক্লবা
পাম্বৈন তা-ওহনহুনা
খবাক চুং-ওহনহুনা
পাখং শাতক উৎসংগে
মপু কাদা খোকপনা
খোহু মুংনা খক্তাখল
নৈদা লুককম শেম্নগা
চিঙ্গোই মেল্লু হনশিনবা
লমদা নৈবা কৈজেংলাং
যোৎ হিং কোলাং হাপ্পগুম
পাখং পান্দম ওইখবে।
সনা খোগল লাকুনা
মুংশি চেংলৌ য়েংবদি
পখং ঐাদ পামদরে

শ্রীশ্রীসরস্বতীবু খুরুমজবা

বসন্তবাহাব। ঝাপতাল।

ইমা বীনাপানী মহৈগী মপু ওইরিবী
লেংশিনবিমু থম্মোইদা নি জং। আসন থাজবি।
প্রেমমী ইরা লৈবাদা ভক্তি চন্দন চাইহুনা,
নখোং থম্বাল অনিদা বচ্ছনবা লাংজার।
শক্তি পুম্বা তিল্লবা, মস্তিস্ক চাউবা ঈশ্বরগী,
মহৈ পিবা শক্তিদি, ইমা নংনা ওইবিবি।
থুমহি ঈফুৎ কযাবু, অমৃত ঈচেল ওইহল্লি;
মোস্তু মবক অ[illegible] ফংবা, ভুমনা অমর ওইনবি।
থুপংবা মচা অদুবু, মমানা ইচান চানবদাই,
তোল্লবা, নচা ঐখোইবু, চানবিয়ু হায়না কৌজরি।
ভুসি লাইবেন নোংজাদা, পংলবা নচা ঐখোইনা,
রাযৎ পুগৈ লিংবদা, থৌজানবিয়ু ইমানা।

শক্লোল

শক্লোল মখল কযানো
অমুক লোৎশিন্দুনা থম্লিবা
অমুক্কী ভাঙ্গ্রাবা নহাক্কী শকক্ম--
পুক্লিংগী মচু শঙনিঙাই মচু;
শাৎকায়বা লৈরাংগী অথোৎপা মাইথোং—

থম্মোইগী ওজা তম্নিঙাই ফিদম।
অসিনস্থু লোইদবা
শকলোল মথল কয়ানো
অমুক লোৎশিন্দুনা থম্লিবা?
উৎপিরি নহাক্না খোঙ্জানগী শকফম
মুংশি চাউবী ইমাগী চেংলোঁদা;
অনৌবা নাম্বাগী মায়থোংদা নংগী
অতিং পুকচেনগী মমিদো।
অসিনস্থু লোইদবা
শক্লোল মথল কয়ানো
অমুক লোৎশিন্দুনা থম্লিবা?
পান্থগী মায়থোংদা অকিবা শকফম,
তাঙজদনা হঙ্গোইবা মতৌ,
উৎপিরি বানরদা নোকনিংবা মওং—
উহল্লি শকওং মথল মথেল
অসিনস্থু লোইদবা
শক্লোল মথল কয়ানো
অমুক লোৎশিন্দুনা থম্লিবা?
উজরে নহাক্কী লোইদবা শকফম
ঙমখৈ রাৎপা তাইবংসিদা;
খোঁরাংলি ঐহাক্কী থম্মোইগী মিংশেন্দা
পুম্না অমতা নমি তাবা,
লোইত্রবা নশেক্তো
লোইগনপ্রবা পুন্সিদা
অমুক হেমা লোৎশিনবিহুনা।

তাং ৩০। ১। ৪১ ইং

শ্রীকৃষ্ণঙ মথুরা লেংবদা রাধাগী উক্তি

সখি! (ঐন) তিংহুনা করি কাম্নিবগে?
ইবুংঙো মারু (শ্রীকৃষ্ণদু) উদ্রবদ করম তৌনা হিংলসিগে?

(উন উন পেঙ্খিদ্রব খদন কমল অহুবু)
মা'খোং থম্লাল উক্তৈগী,
চিত্র দর্শণ কজৈগী, (শ্রীকৃষ্ণগী)

প্রেম-ভক্তি কচ্চহুনা শ্রীচরণ অনিদ,
চেৎনা থজরি থম্মোইলকা-সুংসিদ

নিপানি থল্লুদে ইবুঙোবু,
সুপীনি নিংজদে ঐহাকপু

প্রেমগী ইপাক অচৌব নোংম নোংম চাউথংলে,
(মমৈদ) ঙগথৈ উখিদ্রে, মপাল নাইদন পাকথরে।

কৃষ্ণ প্রেমগী ইপাক্ত,
ঙাগী মতৌ ওইজবী,

লৈপাক রাধাক চউববী, ইমুং য়াহৌ তোঙ্গয়বী,
গুরুজনন তাথিরবী, লাইবক থিবী রাধানি।

তমথিরব বিধি সুর্য্যন,
থা'ইনব প্রলয় মৈচাকন,

প্রেমগী সমুদ্র অচৌবা লৈক্রক থোকন কংহল্লে,
অচৌ আপক নাইদন জীব অপুম্ব শিহল্লে।

মহৈ

পুক্লিং চংনা ভানশিল্লু মহৈ-লনবু অঙাংশা।
লন খিবিক্কী লুচিংবা মহৈ লম্না ওইবনি।
লৌবা ঙমদে শাগৈনা য়েন্নহুনা মহৈবু;
হুন্নানবনা হুখিবা ঙম্বা নত্তে মহৈসে।
কনানম্ন লনসিবু লৌবা ঙমদে মুন্দুনা;
পীথোকপ্পগা হেনগৎপা মহৈ লম্নি অথোইবা।
মহৈ-লনগা মান্নবা অমাঙ অতা লৈতবা,
লৈত্রবনি তাইবংদা লৈত্রবনি অতোম্বা।
মীওইবগী কোকথোকপি অপঙ্‌বত্থ মহৈনা;
মীওইববু লাম্থোকপি অন্নাবদা মহৈনা।
চাং নাইনা তমহুনা পণ্ডিত ওইবা মী'হুগী,
পুক্লিং অহু লৈতেংই গুণ মথল মথম্না।
লৈবা নত্তে মহৈদা অচৌ অাপক করিস্থ;
মহৈতবু হৈন্নবা অতোনবস্থ হন্নাৎনৈ।
মহৈ হৈবা মীবুদি লৈবাক খুদিং ইন্নাৎনৈ;
মহৈ ন্নাৎপা মীহুগী অরেম্বনি মপোক্তা।
মহৈতগী পাঙ্গম্বা মীনা খ্বাইগী মকোক ঙই;
মহৈ ন্নাৎপা মীশিংদ লমগী শাগা থেম্নদে।
লৌশিং-থাউমৈ থান্দবা পুক্লিং মস্বা মাশিংগী;
মপুক্লিংগী অমম্বা কৈদৌন্নুংদা কোক'ঙমদে।
অসি গুম্বা লল অসি থাদোক্লবা হৌনদে;
মহৈ-সনবু তানবদা অন্না-অনা কিফদে।

ৱা অহুম

মীগী থম্মোই-লকাদা,
রাহৈ অহুম ইরমগে ;
থাম্বী মৈনা চাকপদা,
রাহৈ অসি মাঙ্‌লম্মোই ;
'নিংবা' অ স থাগন্নু,
ক্তবা মতম লাকপদা,
নিংবা কায়বা ভোগন্নু ;
নোংঙান্দবা অহিংসি,
কৈদৌন্নুংদা থোক্তেকো।
থাজদবা ভোগন্নু ;
নোং-মুংশিং লাকপদা,
লম্বী লম্মাংনগন্নু ;
ঐখোই পোকপা মপুদি,
থা থরানমিচাকপু,
নিংথিজনা থম্বিরি।
মী খ্বাইগা 'চান্নৌও',
থন্নু ইচিন ইনাওনি,
অয়ূক মতৌ ওইহনা
নঙাল, নশেক পীনৌও,
মীপুম য়ুম্মুনথীহনা।
পীরুবা রাহৈ অহুমসে,
পুক্তা চেৎনা থমজিল্লু ;
'নিংবা' 'চানবা' 'থাজবা'।
শুক্না মন্না অহিংদা
মঙাল-পাজল কংবনি
অরা অনা কোকপনি।

হকশেল

মশা কবা মীশিংদি থবক ওয়হই, নিংথিজে।
নশাকবা পাম্বশিং মথাগী পথাপ কাবগন্নু।
অহিং ওয়া তুম্লগা অযুক ওয়া হৌগৎলু।
নখোং নখুৎ কহল্লু অহৈংবদা কোয়গন্নু।
খোংচৈপ চোৎনা উপকন্নু, নফি চোৎনা শেৎকন্নু।
নফি নয়োল শেৎপদা লাকশিন্নুনা শেৎকন্নু।
নশা নফি লুহল্লু য়ুম কৈ নালগল্লু।
অকবা য়ুমদা লৈসগা চক্চাং কবা তেনগৎলি।
লুংশিং শেংবা য়াক্লুনা মী য়াম্না শিনখ্রে।
মচম্বা চিঙ্গাক থংগনি তপ্প-তপ্পা চগনি।
নোংলেনবদি চাংগন্নু অনৌবতা চাগনি।
থুনা তুম্বা, মোয়ংনবা চিঙ্গক অক্ত যবন।
থকপা কাউন্নু অশেংবা ঈশিং য়ম্না লুখ্রবা।
থুনা য়াৎনা লেঙ্ ওংপা মথুন য়াংবা অচাংদি,
মশা য়ম্না কর্নি, মশক মচু থোকগনি।
অযুক মুনিদংবা ইনমনা ওয়েমখৈ চৎপা কৈ।
হকচাং শাজেল তৌবগা পাঙ্গল হকচাং চাওখৎলি।
পুক্নিং য়াম্না য়ারগা হকচাং অপুম যৎলক্লে।
অবানবু থাকথোকউ, অচুম্বতা তাংশিল্লু।
পথাপ নাইবা অঙাংদি নাবা য়েকপা কোকপনি।

সনাখোংনাং অমসুং মালিকা

নাপল তৌনা হায়রকই সনা-খোংনাং পাম্বীনা,
"করম তৌনা মী ওইনি মালিকা কৌবী নহাক্না
থোংনা নৌনা হৌহনা নাপীশীংদা চন্দরে,
কন্না চাউনা গৌহনা পামেন উরক তিন্দরে।
হুপী অঙাং থাক্তনা তাইবংমীনা খোজাওনৈ;
অঙাংমচা ওক্তবা নশম ননা মফোয়রে।
নউ য়েংই কদায়নো। ননা য়েংই করিনো।
মিংকুপ্পদা থুইজিনবা নপাল য়েংই কদায়নো!
তাইবংবান্দা পোক্লগা অহুম তৌনা হিংবদি,
শিথিবনা ফরেদা, মীখা পোম্না, ইবেম্মা!
লুংশি-নৈতবা বিথিনা নংবুতবু তাখিবোই;
নমান্নবশিংবুদি থোইনা হেন্না চানবিবোই।
মানা শেন্বা খুৎশেন্থু মিচংমিথায় নাইবদি;
শানৌ, নখুৎ য়ান্দুনা দোয নৈতে চৈবদি।
সনা-খোংনাং ঐহাক্তি ইশা-ইরেং কল্লিবা;
মীনা কোনবা থুংদবা ইশা-ইউ চাউরিবা।"
মালিকানা হায়রকই মখুৎ অনি লোন্দুনা;—
"মিথা পোল্লে ঐহাক্তি মপোক থিনা পোক্তুনা।
রাতোন রাংনা থিঙ্গংপা কাক্না হেকমক ফমদেকই;
উতোন লোম্না কাক্লবা অমুক হেক্তা কুম্নকই।
ই'ঙো নিংথৌ য়াইফবা করি য়েংনা চাউবিরি?
চাউরগত্তা ফজেদা, অপিকপম্ন কাম্নরি।
নউ চাউঙ হায়হনা করি থবক কয়রি।
নহৈ য়াম্লি হায়হনা কনা মচীন পেম্নরি?

পোকচবগী কান্নদে, অরেম্বদা চাউবনি ;
মতম খরা লৈরগা উতুপ ওইনা মাঙগনি।
লাইবক থীবী মালিকা, ভাইহাক শাংপা ইপান্দো.
মীগী পুক্নিং পেন্নখি, লাইগী খুয়া য়োখিদো।
মালিকা হায়বী লৈরাংগী পুক্নিং-হুবা মনমদো,
মীগী থম্মোই-লকাদা মতম কুইনা লৈখিদো।
তাইবংবান্দা পোক্লগা চন্নফমদি লৈতবা,
মনন-কৎা চেন্দবা, কান্নফমস্থ খঙদবা।
কন্নৎইদা কন্নকই, পুক্নি খিবক অদুবু ;
পোকচবগী কান্নদে, হৌজবগী ওইজদে।"

— — -

মেঘনাদ তুবা কাব্য

অহানবা সর্গ

ময়োক্লবা লানফমদা, অফনবগী লুচিংবা
শিবা মতম চাদনা, বীরবাহু তুপ্রগা,
হায় হনা ভারতি, রাঙাং-খোইহী তৈৎবী,
হিংচা-গাগৈ-যাই-ওইবা, রাঘব তাখি অথোইবা,
সেনাপতি হাপ্তুনা লান্দা কনা থাখিবা ?
করি লৌশিং তৌদুনা, হিংচা-পুক্নিং লুন্নবা
ইন্দ্র ওস্বা মেঘনাদ— ওম্ফজ্রবা তাইবংনা—
ইন্দ্র চিংন-কোকহনবা মাংহন্দুনা লক্ষ্মণনা ?
পাম্বোম ভৌবী ভারতি ! নখোং থম্বাল অনিদা,
পুকচেল থাবা ননাইনা হন্না হন্না হায়জরি,

অমুক হুন্না কৌজদ্রি (পদ্মাসনদা কপ্পগুম)
বাল্মীকিগী লৈতোন্দা ইমা নংনা লাক্লুনা,
শুকপা বনগী মন্নুংদা, শামী তেলা থাক্লুনা,
খুম্নু অমোম লোইনবা খুম্ন লাবা হাংপদা,
খৌজানবিন্নু ইবেম্মা। ননাইদম্ভ লাক্লুনা।
থওবা য়াওব্রা তাইবংদা, ইম', নংগী নগুণবু ?
মী'রক্তা তোল্লবা মীনুথাংন্নু ওইরম্বা
হুয়ানবদা লুপপ্রবা মী অহু খৌজান্না,
শিবা কোকপ্রে তাইবংদা শিবা কো'কপা শিংগুম।
নংগী বর ফংহুনা হুওাল্লম্বা বল্মাকর,
কবি কাব্য রত্নাকর। নংনা তেক্তা শোকপদা,
চন্দন-পা'ম্বী-কুঞ্জবা, হুগী উনা ওইবনি !
তোল্লি, ইমা, ননাইদা পুণ্য অসি লৈবরা ?
অহুম অহুম ওইনমক মচাশিংগী মবক্তা
পওবা মচা অহুবু 'মানা তেন্না চানবদাই ?
লেংবিরকউ অহুনা, বিশ্ববমে খৌজানবী
শকে, ইশৈ অথে ইবা বীববহুতা তাউহুনা,
ইমা, লেংবিবকউকো, নখোং মরু থুপচগে।
দেবি, নংস্থু লাকপিয়ু, নিংথিগনবী কল্পনা,
কবি-পুক্লিং লৈকোনগী খোইগী সৌ'না শাখিয়ু,
নিংথিজবা খোইরাবু, বাঙ্গালীশিং মুংশাইনা
মতম লৈবখিবিস্তা অমৃ'বু থক্লবা।

সিংহাসন্দা লেংশিল্লে, পাঙ্গল কনবা দশানন,
সনজিংগী মথক্তা সনা-চীংদোন অহুনা,
ইভান ইভান ভানবগুম। সভা-লৈতেং ওইরিবা
অচৌ-অশাং ময়াম্না, মমাই লৈখা য়েংহুনা

ইকোর কোয়না থৌগল্লি। লৈমাই অহু কন্দ্রে,
লংনা শৌবা খোহুনি; মাহু রত্তন থাম্লিয়ে,
মানস কৌবা পুখ্রিদা নিংথিবা থম্বাল শাংপগুম।
অতাং অঙৌ নাপুগী মুখী পরেং লৈছনা,
সনা মুমথক অরাংবা ইরায় লায়না পুখ্রিয়ে;
অনন্তনা পৃথিবি মতোক লিশিং কন্দুনা,
পুবগুমই চেকশিন্না। কুম্মৈশংগী মচুংদা
(মরোল, লৈনা য়েক-খোৎপা) নানে পরেং য়ানবগুম
ইরুং লংনা ঝালবদা মণি মুক্তা য়াম্বরে—
হীরা, মুক্তা, পদ্মরাগ, নীলমণি মরক্ত'
রত্তনদগী পোল্লকপা, তোইন তোংনা, মঙাম্না,
নোংথাং ওইনা কুপ্লিয়ে, মীগী মমিৎ থকহন্না।
নিংথিজবা চামরহু, মিত্তা কবী, থামানবী
মনাই মুপীশিংহুনা, থম্বৌ মানবী পাম্বোমদো,
হাইনা হুন্না থৌগল্লি। শেকপিল থাল্লি মনাইনা;
হর-শাউবা-মৈচাকনা কামদেব চাকুনা,
শেকপিল খানবা ওইহুনা, সভ হুদা লাক্কুনা,
লেপ্পা মতৌ মাল্লিয়ে। পাণ্ডব-লানশং খোংজিন্দা
ত্রিশূল পায়বা শিবগুম, খোংদা চৎপা খোঙভাকপা
অকিবগী মশকনি! হুমলি, মপা'স নাইদবা,
তপ্পা, লৈনম পুহুনা, বসন্তগী মুংশিংনা
উরু লাউবা খোঞ্জেনগী নিংথিজবা ঈথকপু,
কুঁম তৌনা পুহুনা, পুক্লিং হুইদা খোঞ্জেন্দো!
বৃন্দাবনগী উমংদা বাঁশি-খোঞ্জেন ঈথকুম!
করি তৌনরুগনি, দানবপতি হে ময়!
মথুং মক্কা শারম্বা, লৈবাক মীয়াম পেন্নবা,
ইন্দ্রপ্রস্থ কোন্নুংগী মণি পুমহৈ-সম্ভালো?

সভাসিদা ফম্বিরে, হিংচাবগী মবুংঙো,
চিন্দা রাহৈ থোক্তরে, পারি-শেংন-রাবনা।
উগী মশা অহোম্বা অথৌবা তেন্না থারগা
ভুমিন ভুমিন কপ্পগুম, অতং অথম নাইদনা
পিগী থারা শিম্বরে— চরৈ ইচোং চোংহন্না।
মশা উফুল তৈরবা, ঈনা পুমচোং চোংলবা
মাঙ্দা লেপ্লি ভগ্নদূত, মথুং অনি লোন্দুনা।
বীরবাহু লোইনবা লানগী ঈপাক তাউরুবা
অকনবগী মরক্তা মতোম্মতা হিংহৌরে।
মথোই য়েংকে তৌবম্বা, কালগী ঈথক অচৌবা,
মকরাক্ষ হিংচাবা কন্না ঙাকথি, পাঙ্গন্দা
যক্ষপতি ওইরবা। ভূত'সিগী মচিন্দা,
মচা লৈত্রে তাবদা, ওম্ভোকপনি ঙসিদি,
নিংথৌ-খাগৈ-অথোইবা নৈকষেয় রাখরে।
সভা'পুম্বা রাখবে, নিংথৌ রাবা উবদা।
ওম্ভোকপনি মতৌসে ঙুমিং নোংনা খনবগুম
তাইবংপানবা মমথবে। মতম খরা লৈরগা
লৌশিং-মঙাল কংহুনা, পুক্কিং রানা, রাবণনা,
মুংশা ফূইনা হোল্লগা, সনা য়াথং তাক্লকই;

"অহিং-মঙ্গা মান্নবে, ভুত নংগী নপাউসে।
পাম্বোম-পঙ্গল উবদা লাইমক্লা কিন্দবা,
তেনগুহৈবা ইচাবু, ভিক্ষা-নিবা রাঘবনা
সম্মুখ রণদা হাৎপ্রবা? লৈগী মনা পায়হুনা,
তেরা পাম্বী অচৌবা, বিধাতানা ককপ্রবা?
বীরবাহু ইবুংঙো, পাথৌ-কোকথক মণিও!
নহাকুন্দা মণিবু কম্নি পাপনা মাঙপ্রবা?

খিবি হুংদি হৈজবা ! করি পাম্ম উহুনা
মাবো লন'সি হাপ্রিবা ? রাবণা, করুন খাংদিনা,
অরাবিসি ঐহাক্কা ? কাল-সময় অদিনা
খাদৈ-সমায় অচৌবা কনা অমুক লাকনি ?
কন্না হৌবা উপ।ধী, মসা'গুম্বা অমমম,
শিংজনবনা খারগা, তুংনা পাম্বী য়াম্বুবা,
লাকওমত্রব। য়েক্কবা, অয়োই অথম লৈজবা,
ঐখু অহুম শোংহনলে। মক্ক কংনা খাঙ্‌বতাই,
ঐদি মাগী মথুত্তা ! মত্রবদি করম্মা,
লাজল চাউবা শিবগুম ইনাও কুম্ভকর্ণবু,
ঐগী দোখনা শিগবা, শিবা মতম চাদনা ?
হিংচা-শাগে তাকলম্বা লান্দা খৌবশিংহুম্‌ ?
শূর্পনখা, ওস্থোকই, লাইবকথিবী, নহ।ক্কা
কাল-পঞ্চবতীদা, কাংকুটনা থল্লবা,
কাল ভাংজা অসিবু করি কালদা উক্কবা ?
কপ্পি কত্তবা ক্ষেনফমদা ন'গীদমক য়াহুনা
খাম্বী-মৈরি ওইরবী জ'নকীবু পুরকপা
ঐনা সনা লঙ্ক'দ। ? ওস্তোকপনি, পুক্কিংদা,
কনক লঙ্কা খাহুনা, শুকপা বন্দা চংহুনা
চিক্কা বাবা কে'ক্কি.লে ! লৈ ময়াম লৈজেংবা,
জগোই শঙ্‌গুম নিংথিবা, কজয়ম্বা কোম্বংলি !
হৌজিক্তদি অহুবু, লৈরাং নপৈ অহুম্ব,
মখং মথং কংথয়ে ; দেউটিস্থ মুংলক্কে ;
তুম্মিল লৈত্রে ময়জ, বীনা, ৰবায়ঃ মুরলী ;
করি'দমক ঐহাক্কা লৈখিদগে অলিক্কা ?
কনাক্কম্ব য়াওবগে অমম্বদা লৈস্নিংবা ?

[illegible] [illegible] রাবণনা, চিংচা-শাঙ্গী-[illegible],
[illegible] পিকন টৈতুনা পুক্তিং ৰাবা [illegible];
অয়াবনি, ওম্মোকই, হস্তিনাদা অয়রাজ,
[illegible] তাবওম—কুরুক্ষেত্র-[illegible],
[illegible] মচাশিং, পাম্বোম কনবা ভীষ্মদেন,
[illegible] [illegible] তাহলনম্রে, কনামতা হিবেয় ।

অহুগী মতুং অতুদা, সারণ মন্ত্রি [illegible]
মন্ত্রিশিংগী লুচিংবা, খুবাং তম্না লোম্মুনা,
সনা নাক্তা লেপ্লগা ভক্তি চৌনা হকচৈ ;
"তাইবং কাওবা লৈমগু, চিংচা-শাগৈ-জুক্নোনবা ।
ননাই সারণ মন্ত্রিপু লাল্লবদা কনবিয়ু ।
তাইবংপানগী মহুংদা নিংশিং'ওম্বা কনা লৈ,
নিংথৌ খুম্না থাহুদা ? অহুম অহুম ওইনমক
সনা রাখল তাবিয়ু,—নোংমৈশিংজং তাহনা,
লৈচিল খেংপা চাংদোম্না উকুল ওইনা মাঙ্বদা,
পৃথিবীদি নিকপিদে, মৈচাক অহু কংলগা ।
খোইবা হিয়ম অমদি তাইবংবানসি মায়ানি,
অরেম্বনি অরাবা, অরেম্বনি সুংঙাইবা ।
মায়া খুত্বং ইল্লবা, অপংবদা শীংথানৈ ।"
সনা রাথং তাক্লকই, লঙ্কা আধপতিনা ;—
"হে মন্ত্রি অখোইবা ! হায়রিবত্থ চুম্বনি ;
তাইবংবানসি মায়ানি, ঐস্থ মহু মখঙ্ই,
অরেম্বনি অরাবা, অরেম্বনি সুংঙাইবা ।
[illegible] কম্মিয়ে ঐগী থরাই অপঙ্বা ।
[illegible]-লৈখোক অসিদা শাংপা লৈয়াং [illegible],
[illegible] [illegible], রাগরবা [illegible]

খরাল মাঙ্বা লৈথোক্লা, লাইজমুংদা তৌবগুম,
অরাবগী ঈপাক্তা তাউবা মশিন্নিদনা।"

রাৈছ অসি হায়রগা ছত লোমদা ওন্নুনা
সনা রাথং পিরকই ;—"তাসি হান্নু পাউপুবা !
মতৌ করম তুখিবা, লাইমক্লা কিনবা,
বীরবাহু পাঙনবা, লানগী মৈখু অহুদা ?"
নিংথৌরেনগী চন্নদা থুবাং তরা লোন্দুনা,
চাংজৌ চেপ্পা হুঙচে ভগ্নদূতনা সভাদা ;—
"অরাবগি, লঙ্কেশ্বর ! ওইথোক্তবা র'মিছু
মতৌ করম লিশিগে ! বীরবাহু তুখিবা
রারম অহু ঐহাক্লা মতৌ করম তমসিগে ?
মৌবী তেংঙ্গাল মরক্তা মচুমতাবা শামুগুম,
অকনবগী লুচিংবা তেনগুহৈবা নচাদো,
শামু লমশা মতৌগুম য়েক্ক-তেঙ্গে.ল মরক্তা,
নৈথাইহুনা হোৎচিনখি। নিংশিংবদা হৌজিকসু,
পুক্লিং থুকপা লালাউদো, ঐগী থমোই নিক্লিয়ে।
হে নিংথৌ ননাইস্থ তাজরেদা সিংহনাদ,
নোংনা খ.কপা', ঈর:ওথোন ; উজরেদা আকাশতা
নোংমৈশিংজং মৈঙান্দো ; অহুম অহুম ওইনমক
মরোল অহুম অসিদা, কৈদৌমুংদা তাখিগ্রি
লিরুং-খোঙ্গেন অয়াকপা, থম্মোই নিকপা অহুমা ;
কৈদৌমুংদা উথিগ্রি অহুক কিবা তেল অদো ;—

শরূপ-পুবা-ছুং-ইমা শামু-শরূপ চৎপগুম,
লানগী মরক থায়হুনা, বীরবাহু লোয়ননা,
প্যাথৌশিংহু চংথরে। উফুল রুং রুং হৌদুনা

মালং অসি মগথরে,—নোংশিংনা শাউহুনা
অত্তিয়াসি থুম্বগুম; মুংশিংলমদা তেন মপৈ,
মাবা লাউনা পাইবদা, নোংথাং কুপ্পা মত্তৌগুম,
ইয়াং ইয়াং লংবদো, মিং অসি থকথরে।
বীরবাহু পাঙ্গনবা, নংগী নটেহ কন্নকই।
য়েক্ক কয়া শিপ্রবা, শীংথা-ওম্বা নংথিজ্রে।

মত্তৌ অস্নুম তৌহুনা, হে নিংথৌ য়াইকবা!
নজাইবুংঙো লাম্বেংনৈ, থোংমী লাম্মী লোয়ননা।
মতম থয়া লৈরগা (মীথোই-মীহেন য়াম্বত্তো,
লান তৌবা লেংশিল্লে। সনা-লুহুপ কোক্তা থোল,
খুত্তা লিরুং অচৌবা, মালং-চুমথাং খানবগুম
মণি মুক্তা-য়েকথোংপা,"—য়ারি অসি তম্নগা,
মাঙ্গী য়াবা হন্দুনা কপকনবগী মত্তৌগুম,
য়ারা থোঙ্গেন থোক্তনা ভগ্নদূত কপথরে।
সভা'পুম্বা তুমিন্না পুক্নিং য়ানা কপ্পরে।

মিত্তা ঈয়া চেন্দুনা মন্দোদরী-মবুঙ্গো,
য়াবন নিংথৌ হায়রকই;—হায়ুগবা পাউপুবা!
হায়ু তাসি চংথোন্না, দশাননগী মপারি
বীরবাহু অকনবা, দশরথ-লাংলেন্না
মত্তৌ করম হাংথিবা, মায়োক্নবা লানকমদা?

"করি হায়না লৈমগু!" ভগ্নদূতনা হঙ্গংলি,
"করম তৌনা য়ারিহু ননাই ঐনা লিসিগে,
করম তৌনা তাগনি মিংথৌ সনা নাকোংদা,
হিংচা-শাগৈ-লল-ওইবা? মমিৎ কোরি কাহুনা,
পুক্নিং শাউনা শানিংথৌ, মন্না ক্রক ক্রক চিক্নুনা,

কাওরেন তন্না চোংশিনবা অহুওন্না য়াথনা,
মজাইকুংঙো তমশিন্না যুজিন্নকই পন্দনা।
মাঙৈগী মন্ত্রিমক্তদি লানগী ঈথক অচৌবা,
তোন্নবা, কুন্ড্‌না, হৌজিন্নে মালংবগা থেংনবা
সমুদ্রনা নিনবগুম। মৈরিগুম্বা কবাকথাং,
মশিং লাকপা ওমবনা, মৈথু মচু মাল্লবা,
চুজোয়শিংগী মরক্তা ইরং ইরং লংখরে।
ইরাউখোনগী পান্দমগুম মোইবুং পরেং খোংনরে।
করি অমুক হায়রুনি, নহাক্কী মপোক্তা
ঐমা তৌবা ইরান্না ইতোম্মতা হিংহৌরে।
ওহোকপনি বিধাতা! করি পাপ্‌ তৌহুনা
ওসি লাইরেন নোংজাদা মৈচাক অসি পিরিবা?
করিননো হিপহোদবা তেনগী শয্যা মথক্তা,
সনা লঙ্কা লৈতেংবা বীরবাহু তুংইন্না,
লানগী ময়াম অতুদা? মাসি ইন্নান নচ্চন্দ।
য়েংউ, নিংথৌ য়াইকবা। য়েক্নবগী খুৎলাইনা
ঐগী থবাক হোগায়রে; নঙ্গল শিংহুম য়ুথিদে।"

মাহে অসি হায়রগা থমোই চাক্না হিংচাবা
মাহে মপান খোপথরে। অন্না লুংঙাই য়ান্দুনা
লঙ্কাপতি হায়রকই;—"লুংঙাইরেদা পাউপুবা।
নংগী নন্না তাবদা, লান চঙ্‌বা পামদবা
পাখৌ কনা য়াওবগে? ডমরু খোঙেন তাবদা
অমুবা লিনগী কাংলুপনা, তন্নহুনা কৈদৌঙৈ,
লৈথুনহুংদা লৈবগে? সনা লঙ্কা য়াইকৈদা;
পাখৌ-মচা-য়োকচবী। চংলু, চংসি য়েংঙুসি,
অওম অখৌ অপুন্না। পাখৌদো-কথক-ঝাঁমিদো,
লাল্দা করম হুন্নিবা; খিৎপোন্না য়েংঙুসি।"

মচাক্তী মথক কাথখনে, হিজাবগী মখুমক্তা,
মথেক লিশিং লোয়নবা খোংলোল কোয়েৌহনবনা
সনজিংদা থোকপগুম। মাইপৈ মহি লেপ্পা,
সনা-মলাল ময়াম্না লুহংবুম্না লৈতেখবী
সনা লঙ্কা পুরিদো, পুক্লিং ছনা ভাবোইহি।
সনা-দলাল পরেং পরেং লৈকোনগীস্থ মমাইদা;
পুত্রি, খম্বাল শাৎলিবা; ঈমুং লুপা মচুগুম,
মথোক কাবা মুপীগুম, মিং পেম্না য়েংলিংজাই
লৈরাং ময়াম শাৎলিবা; উপাল ময়াম লিংথিবা;
মতোন হীরা থম্নবা লাইগী মন্দির কজবা;
মচু মথল লৈত্তেংবা মনি মথেল পৈরিবা,
মকান পরেং লৈরিবা; জগৎ পুম্বা হৌছনা,
লনগী মথল পুছনা, লঙ্কাপুরী নিংথিবী।
পুজা-পোৎচং লাওছনা নংগী মথোং থম্বালদা
কংলবগুম নিংথরে, নহাক অসি হৌরেম্মা।
তাইবং হুপ্পা পামনৈয়ে; মুংতাইবগী মকমনি।

সনা মিৎয়েং তারিয়ে, হিংচাবগী মপুনা;
অরাংবা চেকপল-মতৌগুম লেংবা চৎপা লৈতনা।
অম্বুগীসু মথক্তা কনবা ময়াই কারবা
থুৎলাই পায়বা কাংবুনা, চিংজাওশিংগী মথক্তা
লোংশা চরাম্নবগুম, কোয়না কোয়না চৎলিয়ে।
নিংথৌ-থোংজাউ মরিথক চায়গী পৌরোল থাজনা
মশিং লাকগুমথিরবা রথ, রথী, শামুনা,
থোংমী, লাম্মী, শগোম্না মিৎয়েং থাঙনা লৈরিবা,
সীতা হুবা রাবননা সনা মিৎয়েং তাবিরে।
লঙ্কা-কোমুং মপান্দা য়েরুবগী তেজোমবু

সমুদ্রগী তোর্বান্দা লৈতোই মরাম লৈবগুম,
অতিয়াগী মকোয়দা থরানমিচাক মপেগুম,
নিংথৌ মিংথরেং তাবিরে। নোংপোক থংবা থোঙ্ অক্ত
ঙাক্লি, নীল, অথৌবা, লান্দা লাকঙমখিত্রবা;
মখা থোঙ্দা অঙ্গদ শামু মচা মতৌগুম
নৌমা পাঙলকইবা, থাবা- মৈচাক লোয়নগা
মরেক-মথোং-কুয়োম্না লৈতেংহনা, তাঙ্জনা,
নাপল তৌনা মতোকফল ত্রিশূল-মরে তমহনা
কোয়না চংপা, নক্রগা। অরাং থোঙ্দা সুগ্রিব,
নোংশাগুম্না পাঙনবা নোংচুপ থোঙ্দা রাঘবনা
মায়থোং মক্লে, ওহ্মোকই. সীতা কায়নখিহনা,
থরো থাইনখিবগুম, থরো পুক্নিং হুবনা।
সুংশিং-নিংথৌ-মপারি হনু, লক্ষ্মন, সৌমিত্রী,
চায়থোইবা বিভীষন চরন থৌগল তৌজরি।
ময়োন চামা কোয়থরে, য়েক্লবগী তেঙ্গে়,য়া,
সনা-লঙ্কা-লৈবাক্তো, শুকপা বনগী মন্নুংদা
শা তানবশিং তিন্দুনা, কৈরাং চেংনা খাবগুম,
শক্লা মিংপু পেহলনবী নোংশা অমোম, চণ্ডিগুম
পাঙল ওক্লা কল্লবী। লমদম কয়া থাপ্তনা
রনক্ষেত্র লৈবদো রক্ষঃপতি মিংয়েং তাই।
লমছই কাংবু. তাউবশিং, লাংজা লাবা-অমোমশিং,
মীশা চাবা কাংলুপ্পা. লাউনা খোংনা হয়াউনা,
কোয়না চংলি, পাইরিয়ে। পাইবা য়াওই, তোংবা য়াওই।
চিক্লবস্থ য়াওরকই; পোংশক অমা মুন্নবা
শাক্লংতনা ফুহনা থাপ্পা থাপ্পা তাহ্মোক্লৈ;
হয়াও হয়াও ওংহনা অরাম-মৈচাক কোক্লয়ে,
ঈথেং থকই কনানা। ওক্লা চাওবা শামুশিং

ভুম্বক ভুম্বক তারিয়ে; শেম্বাং-পাইবা শগোনশিং,
ওঃ লেপক্রে হৌজিক্তি! মশিং লাকওমখিত্রবা
মাহুত, দোলাই অতেকপা, শগোল তোংবা, তাশুবা,
পুলপ পুলপ, রথীশিং, খোংমী-লানমী অথৌবা,
ওন্না থোইনা তারিয়ে! রামফক-ফুরিৎ ঙাল্লিয়ে,
থাঙ্, চুঙ্গোয়, লিরুংশিং, হুয়খুৎলাই, তেন্দোংশিং,
তেন য়োৎশুক, শিংজংনা, মকম মকম খুদিংদা;
মণিতনা শাববা লুছপ কোকথোল খিবিকস্থ,
অকনবগী লৈতেংস্থ, হৰং ইরুং লংলবা।
যন্ত্র ময়াম মরক্তা যন্ত্র শুবা তারিয়ে।
সনা-কীবান খুত্তা পায় কীরান পায়বা ভুরিয়ে,
চৈক্ষু'কনবা কংহুনা। অরাবনি, অরাবা
খোইঙাংশাবা কৌপ'নবু লৌউবনা খাওহুনা
লৌবুক'য়ায়দা তাবগুম, হিংচা-মপৈ ভুরিয়ে,
অঙান-শাগৈ—অঙানবা, তেন্না, পাথৌ রাঘবকী
বীরবাহু ভুরিয়ে, পাথৌ-কোকথক-মণিদো,
য়েরুবশিং নন্দুনা ঘটোৎকচ্চ গকডনা
হিরম্বীগী তম্পাক্তা চেৎনা চান্না যোকপ্রবা,
লানফম 'য়ায়দা ভুবগুম, কালপৃষ্ঠ—খুৎশুবা,
কৌরব-চানবা কর্ণনা কৌরবশিংবু করবা
একাঘ্নীবু কাপ্পদা, শোরাবেন্না পিরকপা।
পুক্লিং য়াম্না রাববা রাবণ নিংথৌ হায়রকই;
"নুংশিথোইবা ইবুংঙো ঙসি নংগী য়াহিপসি
পাথৌশিংনা পায়্রেদো, মতম লৈবা খিবিক্তা।
য়েরুবশিং পাঙম্না লান্দা নোইহৎলমহুনা,
পোকফম লমদম ঙাকপদা শিবা কনা কিবগে?
অপংবনা কিবনি, করুকইদা মপোক্তো।

পাম্নি, হুৎ, থমোইদো, অপংবনা থুম্বংপা,
শৈরাংগুম্না খোৎপনি। বজ্রসিনা থাখলা,
মাহাক কয়া রাম্বিবা, খণ্ডবা নিপা অম্বদি
পুক্লিং হোনা খণ্ডবনি; ঐদি হায়বা ঙমজদ্রে।
হে বিধি! তাইবংসি নংগী লীল'শংঙিদো;—
মীগী রাবা উরগা নুংঙাইবোইকো নহাক্কি?
মচা রাবা উরগা মপা রাবা মশিম্নি—
তাইবংপোকপা নহাকী নচৎ অসি ওইরেকো?
বীরবাহু ইবুংঙো! পাথৌ নোংশা- পান্দম্বা?
নহাক শৈত্রবসিদা কবম তৌনা হিংশিগে?"

তেংথারগা অসুম্না হিংচাবগী মবুংঙো,
সনা মিৎয়েং শৈরকই থাপ্পা উবে সমুদ্র—
ঙাকিয়োং শৈনফম। শৈচিল পরেং শৈবগুম
লেংবা চৎপা শৈতনা, চেৎনা কম্না কাহুনা
খৌহু ময়াম তাউরিয়ে। নাকল পাংমা অনিদা
কোঙ্গাল থাংবা ঈথক্না মতোক পানবা লিঙ্গাউগুম
লাউনা খোংনা রাংথৎলি, অতৎ অথম শৈতনা।
ওইথোক্তবা থো'শা'নি, সঙ্কুম্না পাকপনি।
নোংজুথাগী মতমদা খোংলম ইনবা লাইজগুম
খোংনা লাউনা চেল্লিয়ে, ঈশিং ঈচেল লোইদবা।

নাপল রানো কাপ্রবা, পাথৌ-রাবণ, অথোইবা
সমুদ্র মারগৈ য়েংহুনা হায়থরকই পাঙ্গনবা;—
"কজরবা শৈপরেং নঙকশমদা শিরেদো,
হে প্রচেতঃ! তোল্লিদা, তোল্লিদকো হে বরুণ!
মাসি কজরিবয়া, লানগুম-লাকগুমদবনি
নংদি? য়াইফু, অসিনা নংগী শৈতেং ওইবয়া?

করিগুম্না রাঘবনা, হায়রু ভাসি, অচৌবা,
করিগুম্না লৈছুনা নংবু মীনাই ওইহল্লি ?
মুংশিৎ কনবা লাম্থিনৈ; মহাক্কুন্না অকিবা
পাজল নংগী ওইন্নিদো। কারি পাপনা, অহুদি,
য়োংহিং অসি থাংলিবা ? যাম্ন হৈবা মীশিংনা
শান্নে শঙম তোল্লবা, মখোং য়োংহিলিং থাংহুনা ;
নোংশা-নিংথৌ-মখোয়বু উচেক লাংনা কারুবা
কনা মতিক লৈবগে ? লঙ্কা সনা লৈবাকসি
নথবাক্তা শাল্লনে, শংবান-লাইজা মবুংতো !
শ্রীকৃষ্ণগী থবাক্তা কৌস্তুভ-রতন লৈবগুম,
করিনমো চান্দবা হৌজিক নংনা মাহাকপু ?
করি তৌরি হে বরুণ! হৌবো পাথৌ-পাঙ্গন্না ;
পল অসি খুগাইয়ো, মিংচৎথিবা কোকহল্লো ,
মৈচাক অসি কোক্লয়ো, ভমথিরবা য়েল্লবা
লাইজমুংদা নমহুনা, লৈথা লাম্বা ফংদবা।
অসিগুম্বা মান্নহিংসে নরাইবক্তা থমগন্নু,
নখোং থম্বাল অনিদা ঐনা হায়জৈ, বারিন্দ্র !"

রাহে অসি হায়রগা রাবণ কৌবা নিংথৌরেল
অমূক হন্না সভাদা সিংহাসনদা লেংশিল্লে ;
লাংলেন-থায়ন-রাবনা য়ান্না-খোঞ্জেন থোকখিল্লে ,
পাত্র-মিত্র, সভাষদ ইকোয় কোয়না থৌগল্লি,
ওস্থোকপনি রাবনা চিন্দা খোঞ্জেন থোকাখল্লে ;
মতম তাঙ্গা অসিদা কপ্পা-খোঞ্জেন অমেংবা
মায়গৈ মরি নিনখরে খঙ্হৌদনা তিনখরে
শরিকমচা, নূপুরধ্বনি— কিনি কিনি মান্নুগা !
সনা মানবী সখিগা রাজসভা ভমশিল্লা
চিত্রাঙ্গদা চংলকই। ওস্থোকপনি শমজিদো

ইকা কানা থোকখরে। কীজেৎ লৈতেং লৈতরে,
নিংথম খাগী মতমদা লৈবাং-মণি লৈতবা
উমং লৈতেং-উরিগুম। অহিং-লিক্লা-পক্লবা
থম্বাল-লৈকা-মতৌগুম, মিস্না থম্বাল অনিদা
তরংলাইজা চেল্লিয়ে। বীরবাহু তুবদা
অরাবনা থুঙ্কৎখ্রে, চিত্রাঙ্গদা রাণীদে।—
মুজা পোম্বী-মতৌন, অমুবা 'লম। মহুমদা
মচাশিংবু য়োৎপদা। রাজ সভা মথাযদা
নোং মুংশিং তৌরক্লে। মুপীশনা নোংথাংগুম
মাঙ্গৈগে মরি ও'ল্লক্লে, শমজি থোকপা শম্লাংনা
নোং মপে ওইরিযে, মুংশা কুম্না হোনবনা
প্রলয়-মুংশিং শিংখাবে, পিগী ধাবা অতুনা
নোং-মন্ত্রী পান্দম্লে, হায় হায় খোঞ্জেল্লা
নোং-থাকপা ওইবিযে। ইন্দ্রাপ ও গুকখরে
সিংহাসন্দা কমহুনা। মীনাই মুপাশ'হুনা
থুদাং-পিকম-তৈত্তুনা চানব থাপ্না লংখোক্লে,
শেকপিল-থানবা কপথরে, শেকা ল পায়বা লংখোক্লে,
থোঙ্ শঙবা নিগাশিং পুক্লরনা শাউহুনা,
হজোই-তুজুং-থাংশাংদো মখুমদগী শত্তোকই,
পাত্র-মিত্র, সভাযদ পুক্লি লৈতাখিদরে,
মীপুম-থানা লাউ-খোংনা মমিৎ মপি তাখরে।

ডাইহাক পুজা লৈবগা চিত্রাঙ্গদা সতীনা
মপুরোয়বা য়েংহুনা খোঞ্জেন মেংনা হঙ্ৎলি ;—
"মণি অমা পিবিরে, বিধি থোজাল হৈবনা,
তোমবিবি খন্দুনা ডাক'পনব শিন্নৈজে
ইবুংঙোগী নখুত্তা, হিংচা শাগৈ য়াইওইবা,

উথুমহুংদা উচেক্না মচা চেৎনা লিবগুম।
লঙ্কা-নংথৌ তাকপিরো মাহু কৈন্দা থম্বিবি?
কদাই চৎখ্রে ঐহাক্কী মণি মমল নাইদবা?
লায়রবগী মরনবু ওাকপা নিংথৌ ধর্ম্মনি ;
নিংথৌশিংগী মবু ওো, করম তৌনা থম্বিরি
ঐগী ইরল অহুবু? ঐদি লায়ববীনিদো।

পাঙ্গল কবা দশানন চিঙ্গোই মপাও খুম্নকই ;—
"অয়েশ্বদা, মুংশবী অরা পিরে ঐঙোন্দা?
গ্রহ দোষ লৈববু কনা তাখিনবগে?
ওন্থোকপান, ঐহাকসু, থোহবী, লাইনা ওম্বনা
অরাবসি খংলিদো ; পাথৌ মচা-য়োকচবী
সনা লঙ্কা লৈবাকসি, তৌজিক পাথৌ লৈখিত্রে,
ওলাংথাগী মতমদা বন্দা উহৈ লৈতবা,
তুরেল লাযজা কবগুম শবৌ, মানা-থাবগী
মনা লৌদ চলগা, মনা তুম্না শেগায়বা
অহুগুম্না সীতানাথ, লঙ্ক তুম্না মাতশল্লে।
রামনা হাযবা য়াম্থুনা সমুদ্রনা মশানা,
য়োৎহল্লং-কসং থাংজরে। হুপী নংদ রারিদো
নচা অমা শিবগী! অতিং নুংথিল রাবনা,
ইচা চমা শিবগী ঐদি থমোই কায়খরে!
হায় রে দেবি, উমংদা, শফুকনবা মুংশিৎনা
তেরা কুয়োম থুগাইবা, তেরা পাইথোকখিবগুম
অমুক চাউবা শাগেগী মকোক মকেক ওইরবা
ওয়া তুবে 'হিংচাবা', মণ্ডল-লানক্ষম অসিদা।
বিধি নখুং তথোক্লে ঐগী লঙ্কা মাঙনবা।"
তুমিন লৈপ্রে রক্ষোনাথ ; রানা মায়থোং মুকুনা

থাজ-মানবী গন্ধর্বী, চিত্রাঙ্গদা কপ্পিরে—
ওয়োকপনি শুম্মংগ্রে মজাইবুংভো খনবদা।
অমুক হন্না হায়বকই দাশরথি-য়েরুবা;—
"অন্নম তৌনা কপ্পসি, দেবী, ফজরিবরা?
লৈবাক-য়েরা হাত্তুনা লান্দা নজাইবুংভো
খররগদা চংখরে; পাথৌ-শোকপী-মমানি;
অকল-অথৌ-থবক্তা থরাই মাওবা নচাগী
কপ্পা হৌনবরদো? নপারি পাজল উবদা
ওসি ঐপী শাগেসি তাইবংপান্দা ভাল্লেদো;
কন্নি কপ্পি অহুদা, ইন্দুমুখি নহক্না,
মিস্না থগাল অনিদা ভরং-লাইজা শিস্থনা?"

দেবী মিত্তা ফজবী, চিঙ্গোই মপাউ খুম্নকই,—
"লৈবাক য়েরা হাৎপশিং শুভঙ্কগদা পোকপনি,
লান্দা মায়োক য়াহুনা, য়াইকৈ হায়বা য়ানিংভি
পাথৌ-লৈরাং-পোকপীশিং লাইবক ফবা অন্নবা।
খনবিথোদা ঈবুংভো, অযোধ্যানা কদোমদা,
সনা লঙ্কা কদাইদা? হায়ু, কন্নি মররম্না,
নিংথৌ, কন্নি পামহুনা, রাঘব সিদা লাকইবা?
ইন্দ্রমক্কা পাল্লিবা লঙ্কা সনা লৈবাকনি,
মপা লৈত্তে পৃথিবীদা; মাগী মায়গৈ মরিদা
লুপা-চেকপল মত্তৌগুম সমুদ্রনা ভান্নোইবি।
সরযূগী মপান্দা লৈ হায়না তাজৈদা
মীচম অদো। পামহুনা লঙ্কা সনা-সিংহাসন
দশরথ-মপারি, লান তৌবা লাকপরা?
মথিক নেম্বা কনানা থা ফংবা ভানবগে?
কন্নিদমক মাহাকপু লৈবাক-য়েরু-শীংদচল

হান্নু তাসি পাজনবা; তাংজা ময়াই দুকপনি;
মাবু হেক্তা ফুবদা কনাগুম্বা অমমা,
তাংজা মতোক কল্লকই, অফুববু চিকথোকই।
লঙ্কাসিদা কনানা মাঙন-খাম্বী থাবগে?
ওস্থোকপনি, ইবুংঙো, তৌজরুবা কর্ম্মনা,
হিংচাবশিং রাহল্লে, নরনাইস্নু রাজয়ে।"

রাহৈ অসি হায়রগা বীরবাহু পোকচবী
চিত্রাঙ্গদা কপত্থনা লোয়নবীগা লোয়ননা
লৈমকোন্দা, লেংশিনখ্রে। শাউনা, রানা রাবণনা
থাদোক্তুনা সিংহাসন; তংলতুনা হৌগৎলি।
"হৌজিক মতম অসিদা" (হায়রক্লেদো নিংথৌনা)
"পাথৌ লৈত্রে লঙ্কাসে! মাঙন-লানকম অসিদা
অমুক কনা থাগনি? ঐমক্তা চৎলগে।
থৌরাং তৌরো পাথৌশা লঙ্কা-লৈতেং ওইরিবা!
য়েংশি করি তৌজবা, রঘুকুলমণিনা!
রাবণ, নত্রে রাম; ওসি তাইবংপান্দা লৈররোই।"

নিকষাগী মপারি; পাথৌ-নোংশা-পান্দবা;
য়াথং অসি পিবদা; সভা মাঙ্‌দা দুন্দুভি
নোংখাকুম য়ৈরক্লে। বিবা খোল্লেল তাবদা
হিংচাবশিং লৈতেংলে; পাথৌ-ময়াই কাহুনা
মী-লাই-কিনবা; দৈত্যমক্কা রানবা।
শামু শরূপ চেন্থোকই (ঈশিং ঈচেল পান্দমগুম
লাকওমত্রবা পাজন্দা) কয়া শামু শঙ্‌দগী
মঙক পৈনা শগোয়া, শকমদগী থোরকই,
শাউনা য়াচল চিক্তুনা। মতোন-সনা লোলাইবা

সহর ইঙান ঙাক্লম্না, য়াঙনা য়াঙনা খৌদোক্কই।
খোঙমী ল.ম্নী খিবিকস্ন ফনা-কোয়েং কোক্তা য়েং,
লংবা থাংখুম মনুংদা খোইবা থাংশাং হাপচিনবা,
নমদা শউন পোশিনবা, লান্দা ককপা ঙমদবা,
খুত্তা তাশোন, মতৌঙুম লৈচিন খেংপা শালপাম্বী,
য়োংকী য়াম্ফক ফিংলবা, লাক্লে পরেং শাম্লনা।
মাহুত লাক্লে, লৈচিন্দা বজ্র-পায়বা মতৌঙুম,
শগোল তোংবা লাম্মীস্ন অশ্বিনীকুমার মতৌনি,
হুমখুৎলাই অধিবা, তংইবং মাংবা শীংজপায়,—
অতিয়াদা হাইগৎপ্রে, মণ্ডাল অহু, জঙ্গোলদা
লমজাউ খোনবা খাম্বীগুম। হিংচা শাগে কীয়ান প'য।
কীয়ান পয়বা পঙনবা খোইবা কীয়ান তিংথোকই
মণিমুক্তা য়েক-খোৎপা, মশা তিংনা গরুড
অতিয়াদা পাইবগুম। লানগী পুংজাও দ্রং দ্রং
লুম্না হৌবা মখোম্না মাযগৈ মবি খিল্লক্লে।
শগোল ময়াম ফেল্লকই হবাও, শামু খাক্লকই;
মোইবুং হৌনা খোংলকই, পাঙ্ক ক্রেক ক্রেক লোয়ননা
লিরুং খিঙবা মখোম্না, নিমখিবা খোঞ্জেম্না
নাকোং অসি যৈশিল্লে, য়াঙাং খোঞ্জেন তাখিল্লে।

সনা-লঙ্কা নিকথরে, পাথৌ-খাঙ্নেৎন দাঃ—
শাউনা ঙংলে সমুদ্র। লাইজমুদা; অতুদা,
সনা-থম্বাল লৈকোন্দা, পোহাল খুদা কমন্ডনা,
বরুণানী শকহেনবী মুক্তা শমথেৎ হাপ্লুনা
শমজি কেনা পুল্লিঙৈ ইনল অহু চংথরে,
ইঙক ঙরু, ইবেম্ম, মায়ুংগ মরি য়েংলকই।
থাজমানবী ফজবী যারা খোঞ্জেন মুংশিনা

মতা কৌনা হায়রকই ;—"চায়থোইবী করিনো
হায়র্ তাসি মুরলা। ল'ইজনিংথৌ লাংডেকপা,
ঙসি ইখঙ্ খঙ্দনা পাশ থুংগু ওইরিব'?
মুমগী মতোন মুক্তাসে য়েঙ্ থূক থূক নিক্লিয়ে।
অমুক হন্না লাক্লবোই, কৎথিজবা মালংবা,
ঈথকশিংগা লানডৌবা। মুংশিং নিংথৌ তোঙ্গিদা।
ইতা, করম কাউরিবা মতম অমুক কুইদনা,
মালংবনা রাশক্লো? শেংরাবেনগী সত্তাদা
মুংশিংশিংস্থ মহাকস্থ ঐনা কাগে তৌরুরে,
য়োংহ্লিং-কলাং চন্দ্না কৈগুম-শংদা থম্লবা।
হায়খি মুংশিং-নিংথৌনা নোক্লা নোক্লা, চায়বি!—
"য়াথং পিয়্, ইবেম্মা তাইবংপান্দ লৈরিবী,
নংগী ননাই ওইরিবী, ঈশিং লূবী তুরেনশিং,
ননাই ঐগা লোয়ননা শাক্লগে তত্তনা,—
য়াথং অসি পিরবা, থোইবি য়াথং ঙাকচনি,—
ঐনা য়াগ্রে অহুদ' চায়থোইবী। করিগী
ঙসি অমুক লাক্লিবা অরা পিবা ঐগাকপু?"

চায়থোইবী মতানা রারা লাউনা থুমকই ;—
"অরেম্বদা, পুরেনবী, হাংহৎপিরে মুংশিংপু।
মুংশিং-কনবা নত্তেদা ; রাবণনদি থৌরাঙিঙ,
মুংশিং-কনবা পান্দমগুম সনা লঙ্কা লৈবাক্তা
রামগী পাথৌ-নাপন্দো য়ৈথনবা লানকমদা।"
অমুক হন্না হায়রকই ঈশিং-নিংথৌ-চাকবী ;—
"চায়থোইবি চুম্মিনা, সীতা মঙুংলাংদগী
রাম হ . লাম্থিনৈ! হিংচা-শাগৈ-রাজলক্ষ্মী,
মুংশিথোইবী ইতানি ; মহাক থূনা চত্তুনা

মাগী মক্কম য়োকরো, লানবাউ য়াম্না ভানিংলে।
সনা-থম্বাল অসিমা কমলাদা পিরম্মু।
থাজমানবী লক্ষ্মীনা, মাগী চরণ ভাংভ্রাবা
খোংদাম্বা মককদা, পদ্মাসনদা ফমদুনা,
শৈরাং অসি শাংপনি হায়্, সখি, মহাক্না
ঈচাও সজাই মমহন্না, সঙ্গাই মায়গৈ পাংখিগৈ।"
বারুণী-য়াথং পুত্নুনা, মুয়লা সখী কারক্লে,
লাইজা-লৈবাক থাদুনা, লা তরুবী ভাহৌনা
লুপা ওম্বা কুচুত্ত্ মুমিং-মাওদা লেম্নবা
কাবককপগুম, মুংভাইবি। য়োবে দুতী ফকদা
কমলাগী লাইশংদা, সনা-থম্বল তাংবন্দা
থম্বাল মানবী, ফম্নিবা, কেশব-থরাই কংকবী।
খোঙদা ভাইহাক লেপ্পুনা, সখী মমিং পেঙ্গয়ে,
কাম-শুম্বা-শুম্মাংপা নিঙ্খিজবা শক্তমদো
মমাঙ্ থানা য়েংদুনা। বসন্ত মুংশিং খৌগল্লি—
মহৌশাগী লোয়নবী—দেবী-মখোঙ্ থম্বালগী
শৈরিক অত্থু পামদুনা, উক লাউনা। লৈরাংনা
মায়গৈ মরি ভাল্লিযে কুবেরগী লঙ্গৈদা
মণি মপৈ লৈবগুম। সনাগী ধূপ-কম্বীদা
কয়া কন্না থারিবা, গন্ধরস, অগুরু,
মনমত্তনা লাইশংদো মুংভাই-ঈথক হৌহন্না।
সনা-সেম্পাক পরেঙ্‌লৈ, পোৎলম লখা লিশিংগী
খুদোল হাপ্পুনা। সনা-থাওমৈ ময়াম্না
মুংশি-থাউনা থল্লবা, ভাল্লি, মঙাল শিথরে,
পুংবা-ফবা থাবন্দা তন্দল মৈঙাল মতৌগুম!
থাজমানবী ইন্দিরা, রানা, মায়খোং লৈখোক্না
ফম্বীরিয়্, অখোইবী, ফম্বীবগুম, বিজয়া—

দশমীদা উমানা, থাইনমৈচাক পুহুনা,
ইমুঙ্ খোরা তৈনবা, বাঙ্গালীগী ময়ুমদা,
চেংলৌ থাজা মাল্লবী! চুবা খুংনা শৌহুনা
কম্লি দেবী কমলা, মতিক মঙাল চাওব্রবী—
থম্বাল-তাংবল মথক্তা; অমুম্বা থমোই-লৈরাংদো
অরাবনা, দেবীগী, চঙ্লবরা কম্রিনো?

নিঙ্থিজবী মুরলা তপ্না মন্দির চঙ্লকই;
চঙ্লক্লুনা হুতীনা, কমলাগী চরণদা,
লৈমায় পক্লা খুরুমজে। রমা মঙ্গল পীহুনা—
হিংচা-শ গৈ রাজলক্ষ্মী চিঙ্গোই য়াথং পীরকই;—
"করি মরম লৈহুনা হায়ু ওসি মুরলা,
নংনা সিদা লাকইবা? ঈশিং কাঙ্বু-মবেম্মা
থোইবী, কৈদা লৈরিবা, চান্না থোইবী ইতদো?
মতম লৈবখিবিক্তা ঐদি মাবু খল্লিয়ে।
মাগী য়ুমদা লৈরিঙৈ ঐবু কয়া চানবিবা,
ঐনা কাওবা য়াবরা মাহু কদিগুম্বদা?
কমলানা লৈনিংবা মফম হরি-থবাক্লি;
হাংঐবদা হরিহু ইন্দিরানা হিংহৌই
বরুনাগী ইতাগী মুংশি-হিদাক গুণতনা।
নিঙ্থিজনা লৈরিকো হায়ু, ঐগী চান্নবী
ঈচাউ-নিংবী সখীদো?" মুরলানা খুম্লকই;—

"অরা অনা লৈতনা বরুণ চান্নথোইবীদো
লাইজমুংদা লৈবিরি। সীতা মগুংলাংদগী
রাম রাবণ য়েরুবা, লানগী পাওহু ইবেম্মা,
তানিংমান্নে সতীনা। থম্বাল অসি, পাম্বেইবি,

তাংজ্রানবা চরণনা মুঙ'ই-খোঙ্দাবিরম্বা
মক্তমচুদা শাৎপনি; পাশী মুংশি-কৎপীনা
খুদোল অসি কৎলকই, ইবেম্মগী চরণদা।"
রানা মুংশা ফুইদুনা কমলানা হ য়রকই,
বৈকুণ্ঠগী থা-মণ্ডাল;—"ওস্থোকপনি চাম্নবি
পুকচেল থীবা রাবণসে নোংমা নোংমা শোম্বুরে,
শাফুকনবা ঈপোম্না সমুদ্র-চাংজো তাবগুম।
নাকোং লৈচং তারগা নংমু খোয়নৌ ওক্নি।
কুম্ভকর্ণ পাঙনবা, শাওংশাদা অকিবা,
লান্দা ওম্না, নিকতবা, পৃথ্বিগুম্বা, তুখরে,
দোলাই-লাম্বেং-চঙখোনবা, অতিকায়গা লোয়ননা।
অতৈ হিচা কয়াম্ব ঐদি শীংথা তনজন্ত্রে।
বীরবাহু তুখরে, পাথৌ কোকথক মণিদো।
তেংথাবগী খোঞ্জেনসে তারিনিনা মুরলা!
পারি থাইন-রাবনা শুক্লৎথবী গন্ধর্বী—
চিত্রাঙ্গদা কপ্নিয়ে; লৈমকোন্দা নিংথৌগী।
লঙ্কা থাদোকনিংবনা পুক্লিং লাংতক্লরেদা।
ঐগী থমোই কাইখরে, অহিং মুংথিল নাইদনা
মুজা-তেংথা তাবদা। য়ুম থুদিং কপথরে
মচা শিবা মমানা, লুপ্রা ওইবী সতীনা।"

মুরলানা হংলকই;—'হায়, তাসি, খোইরেনবী,
পাথৌ কনা ওসিমুক লানগীদমক থৌরাংতি,
পাথৌ-নাপল পুদুনা?" খুম্মি মাধব-মনাইনা;—
"থঙ্দে কনা থৌরাংতি, ওসি। চৎলু মুরলা।
মপান থোক্না য়েংওসি, লান্দা কনা চৎপগে।"

লসি হায়না রমানা মুরলাগা লোয়ননা,

হিংচা-শাগৈ নুরাশা, মাখোই অনি থোরক্লে .
কব্রং কিজেং থেল্লবী। শারক মচা কিরিং কিরিং
হুংশিরবা খোঞ্জেল্লা ; খুত্তা খুজি নিংথিরি,
মিৎপেনবা খুঙ্গে য়না চেংবা খাংদা কজরি।
লাইশংথঙ্দা লেপ্তুনা মাখোই অনি য়েংলকই,
পরেং পরেং লাল্মীশিং সনা লমদা চৎলয়ে,
হুংশি-শঙ্খ ফংহুনা সমুদ্রগী ঈথকুম,
থুনা য়াংনা। চেল্লিরে, দোলাই, কাংখোঙ্ ওন্দুনা
গর-গর। থোরিরে, শগোল হুংশিং পান্দমগুম।
খোঙ্থাং খোঙ্থাং খুদংদা পৃথ্বি থক থক নিকহল্লা
শামু চৎলি, হায়হুনা নাতোল, যনগী মতৌগুম
কালদণ্ড। যন্ত্রশং, খোঞ্জেন লূম্না য়ৈরিরে।
মণিমুক্তা য়েকখোৎপা মশেক মঙাল তিল্লবা
ফীরাণ চামা পায়রয়ে সনা দলাল নিহুত্তা
নক-য়েত্তা লেপ্তুনা, লঙ্কা তাইবং শুম্ফৎপী
মৌগী কাঙ্বু তিন্দুনা লৈগী নোংবু চুহল্লে ;
মঙ্গল ধ্বনি তৌহুনা। মুরলানা হঙ্গৈচে,
কেশব-থবাক-লৈনিংবী মাইথাং-থাজা য়েংহুনা ; —

"লাইরৈবাকী ঐশ্বর্য্য ওসিতদি উজরে,
দেবী, তাইবং অসিদা! লাইগী নিংথৌ, থল্লকই,
শোরারেম্না মশামক লাই-অকল-অথোগা
লোইনহুনা চঙবগুম, সনা-লঙ্কা-লৈবাক্তা।
থৌজাল হৈবি! হায়বিয়ু চানবিহনা তাকপিয়ু,
য়্ধী করম করম্বা লনগীদমক থোরাঙিঙ ;
পাথৌ ময়াই কাহুনা, তাজনিংঙি ননাইনা।

মিগ্না থবাল মাল্লবী রমা সতী হায়রকই ;—

"ওহোকপনি লঙ্কাসে, সখি, পাখৌ লৈতরে।
মী লাই-কিনবা, দৈত্যমক্কা খীনবা,
মহাবথী কাঙবুগী অখোইবসিং লৈরম্বা
ইতুম তুমগ্রে, ইবেম্মা, ওমনা রাবা লানসিদা।
রঘুমণি পায়খিবোই লিরু মতম ফবদা।
উইদনা রথীসে, মতোন-সনা-দোলাইদা,
শকওং মিত্তা কিববা হিংচাবগী মপুবু,
য়োংকী কিক পাইখিবা লান্দা লাকওমখিদ্রবা
যেংদু কালনেমিসে, শামু থক্তা, পাঙ্গনবা,
পাখৌ অসে পাঙ্গন্দা তাখি কাঙবু যমর্গ,
হুমখুংলাই খুশুনা। যেংদু শগোল তোংবসে,
কোনা পান্থী মাল্লিবা কোনা ফৈবোম তাবিবা,
গদা পায়বা, মতৌগুম গদা পায়বা মুরারি।
লানগী ময়াই কববা থবাক নুগুম কল্লবা,
ময়াই থেইনা কাববা, য়েংউ, হিংচা অকিবা।
অতৈ অতৈ আসিমু অমুক করি হায়গনি?
অকল-অখৌ চাশীংদা শিখবেদা লানসিদা
শুকপা বনগী মনুংদা খান্বী-মৈনা, অরাংবা
উজাউ পরেং চাকুনা উৎ ওইনা মাঙহনবা
লমজাউ খোনবা লস্মেদা অহু-মতৌ ওইখরে।"

হংজে দূতী মুরলা ,—"হায় লাই অখোইবি।
করিননো উদবা ইন্দ্রগম্বা মেঘনাদ—
হিংচা-শাগে শানিংখৌ, লানসিদা রথীদো?
পাজনবদো তুপ্রবা সতি, মাঙন লামফমদা?"

চিজোই পাউথুম পিয়কই মীনোক কবী লঙ্গীনা;—

"কোয়রমগনি যুবরাজ মুংঙাই লৈকোন মহুৎদা,
হয়াওকুমৈ তৌহনা, খঙ্দহনা লানফমদা
বীরবাহু ভুবসে ; চৎলো নহাক মুরলা !
বারুণীগী মনাক্তা 'সনা লঙ্কা থাহনা
থুনা যাঙ্না ঐচাক্তি বৈকুণ্ঠদা চৎলনি'
হায়ৈ অদি হঙ্গৎলু চ'মথোইবী ইভাদা।
নিংথৌ লঙ্কা-লৈবাক্পু মনাক্তনা রাজরে।
ঈশিং লুবা পুখ্রিদো ঈপান্থাদা নৈবগুম
পৃথ্বি লৈখাম খোংকুনা, পাপনা থনথ্রে লঙ্কসে !
করম তৌনা লৈগনি ঐনা মফম অসিদা ?
চৎলো, সখি ! কায়দে বারুণীগী মনাক্তা,
পোংহাল খুদা কম্লিবা মণি পুমহৈ সঙ্গ'ইদা।
চৎলে ঐস্ম, পুবক্কে ইন্দ্রজিৎপু লঙ্কাদা।
চারসম্ভ মরাইবক থুনা সনা-লঙ্কাদা।"

বিদায় লোয়ে দেবীগী থুরুমহুনা চরণদা,
লাক্লে হুতী শংকহেনবী মুংশিংলমদা মুরলা,
মালং-চুমথাঙ্ খানবগী মণিমথল-মঙানগুম
মিৎ থক্না মঙাম্না য়াংগোং অমোম নিংথিবী,
পুক্লিং হুবা কুঞ্জদা কোংয়না কোয়না পাইবগুম।

সমুদ্র মপাল য়োংহনা, শংবান লাইজা মহুৎদা
কজরবী চংখরে। হরি নিংবী, অসোমদা;
হিংচা-শাগৈ-লক্ষ্মীদো, মিয়া থম্বাল, লাপ্লদা,
ল'ইনিংথৌনা খোয়ব, পাখৌ মনি মেঘনাদ
মকম তানা লেংখরে। মালংলম্বী খোঙ্নেৎখি।
মতম কয়া লৈরগা হরি মনাই মুপীদো

থু:বিরয়ে, শঙ্করী, মতম কুইনা লানতম্বা
ইন্দ্রজিৎকী মফমদা। অমরাবতী মতৌনি
কোমুং অহু, মংঙ্গোন্দা সনা-পূমহৈ য়ুথী য়ুং
মতোন হীরা থাম্লিয়ে; পূক্লিং হুবা বণ ময়াম
মায়গৈ মরি ওান্দুনা নন্দন কানন মাল্লিয়ে;
কোকিলশিংনা খোংলিয়ে উকৈথক্তা তোংহুনা।
খোইমু ময়াম ওংহুনা কোয়না কোয়না পাইরিয়ে,
লৈরাং মপৈ শাংলিয়ে; উনা ফ্রৎ ফ্রৎ লাউরিয়ে;
য়েগ্নৌ-নুংশিৎ শিংলিয়ে; ইফুৎ রারা শিম্বরি।
সনা সঙ্গাই চংহুনা দেবী নিংথেং তাবিরে—
সনা খোঙজিল অহুদা অকি-অখং লৈতবী
কিন শককম নুপীশিং লিরু থুক্ত পায়হুনা
চক্তংহন্দা চংলিয়ে। মঙ্গল-তেন্দোং লোয়ননা
শমজি মমৈ হাইরিয়ে। শমজিরক্তা মণিশিং
নোংথাং কুপ্পা মাল্লিবা, তেন্দোংনুংগী তেঙ্গেনা
মণি পূমহৈ-লিল ওইবা! মকারাম্বা থবাক্তা
সনা-লানফী লিংলিবা, কম্না শাংপা হম্বন্দা
মুমিৎ মঙাল য়ৈবগুম। তেন্দোং তেন্দোং থৌথরে;
অহুবুম্ব হেনথরে মিৎকী তেম্না, নিংথিবা।
নৌনা মথোক কাবগী মায়াইহুনা থুম্বৎপা,
কোয়রি, মখোই পুন্নমক, য়েগ্নৌ-পাম্বা লাকপদা
শামু অগোমমতোগুম। মখোল থোক্লি থাংঙ্গোইনা
লৈতে খোঙ্গেন নুংশিনা, মরাং বায়বা নিংহুদা,
নূপুরনা চরণদা। বীনা, খোংলে, মুরলী,
পুং য়ৈয়ে নুংশিনা খোম্হাং তরেৎ শুরনী
ঈশিং ঈথক হৌরক্লে খাঙ্গেনহুগা তিন্দুনা,

মাইগৈ মরিমক্তগী, পুক্লিং ইবৌ-নৌহয়া !
পাথৌ-থোইবা শাম্নরি, মুক্তা-থোইবী প্রমদা
লোইনহুনা অহুদা, অহিং-মপু শান্নবা
দক্ষ-মমোমশিংহুগা লোয়নহুনা, নক্রগা
হুমিং-লাংলেণ যমুনা ! বাশী চিন্দা খোংহুনা,
জগোই থুংথেক লোয়ননা. কদম'খোঙ্দা, শনশেনবা,
গোপীশিংগী মন্নক্তা হন্নাও হন্নাও শান্নবা
নিংথিজবা ভোর্ব্বান্দা, মতৌ অহু মান্নিয়ে !

মেঘনাদ-য়োকচবী হিংচাবীনি প্রভাব' ।
ম'গী মশক লৌহুনা মাধব মনাই রম্নানা,
কীজেং মোংনা থুংলয়ে. খুত্তা চৈগু পায়হুনা ।
সনা ভাংবল থাদোকই, পাথৌ লুভোন-শানিংথৌ
ইন্দ্রজিৎনা খুরুম্মি, য়োকচবীগী চরন্দা,
হঙ্গচয়ে ;—“করিগী লেঙ্‌বিরকপা ইমানা
ওসি নন'ই ঐগীদা ? মঙ্গল পাউবু তম্বিয়
সনা লঙ্কা কমদৌরি ? নগা য়াম্না খৌরাংলে ।”

মঙোক চুপ্পা শকলোংপী সমুদ্রগী মমোন্না,
চিঙোই মপাউ খুম্নকই ;—“ওম্বোকপনি ! ইবুংঙো
কম্নি অমুক হায়গনি সনা-লঙ্কা-দশাবু !
বীরবাহু পাঙ্গনবা মুংশিজবা ননাওদো
কনবা লান্দা তুগয়ে ! পারি-শেংনা-রাবনা
হিংচা মপু মমথয়ে, লান্মী তেঙ্গোল লোয়ননা
রাবণ নিংথৌ মশামক ওসি লানগী খৌরাঙ্লে ।”
পাম্নোম কনবা ইন্দ্রজিৎ ওকথ্রহুনা হংলকই ;—
“ভগবতি, করিনো ? হায়রিবসি করিনো

মুংশিগ্রবা ইনাওবু কদৌডৈদা কন'না
যাইবী থমমু' তানহনবা ? অহিং লান্দা ছাংলম্নে
ঐনা রঘু-অথোইবা ; মতুপ মতুপ কল্লম্নে
য়েক্লবগী মপৈদো, নোংজথাগী নোংগুম্না
থৌবা তেম্না হৈহ্না ; অত্তমক্তা পাউ অসি—
ওইথোক্তবা পাউ অসি, ইমা। ফংজুই কদাইদা ?
থুনা য়াংনা তাকপিরো রাবম অত্ত নচ'দা।
য়'ইফু য়াইথোই, ফজগী ইন্দিরানা খুম্নকই ;—
"ওস্নোকপনি ! ইবুংঙো, সীতা মতৌ মী অ'সে
ম'য়াবীনি, নহাক্কী তেম্না শিবে হিঙ্গৎলে।
নহাক থুনা চৎলোবা, 'হিংচা-শা'গ-মমায়দো',
কোকথক-এনি ! ঙা'কউবো, মাঙনা-ল'নফম অসিদা।"

পাঙ্গল য়ৌনা কল্লবা মেঘনাদ থদৎলে
শৈরাং পবে' শাউহ্না ; সনা-খুজি লংথোক্লে
থা'গ্লা, খোংগী মনাক্তা ঙাম্লি নাইল তাহ্না,
অশোক শৈবাং তা'হ্না অশোক-খোঙদা ঙানবগুম !
"ঙোম্লিদা ঐহাক্তি" হায়'র নিংথৌ-মচানা
চিং-লেম্বা খোঞ্জেম্না ;—"ঙোম্লিদকো ঐহাক্তি !
যেক্লবনা কোযথিবা সনা লঙ্ক' শৈবাক্তি,
সিদা ঐনা শৈবিবা মুপীশিংগী মবক্তা ?
মাসি ফজবরনে ? দশাননগী মপাম্লি
ইন্দ্রজিৎনি ঐহাক্তি, থুনা দোলাই পুরকউ ;
য়েক্লবশিং হাৎলগে, অরাবসি কোকহ্নগে।"
রবী-মকোক লু'চিংবা পাণৌ-কাঁজৎ শৈজতেংলে ;
হৈমবতী-মচানা তাবক ছাংকে থৌরাংবা
পাঙ্গল-খোইবা, নন্দ্রগা বৃহন্নলা, শান্নিবা

কিরীটীনা কয়বা শম্বী শন্নাউ থিবিকপু
বিরাট-মচা লোয়ননা ক্যামলৈ-পাম্বী-মখোঙ্ লা
পাখৌ লৈতে'লকপগুম। লৈ'চন-মচু-দোল'ইনি;
কাঙ্খে'ং নোংথ'ং মডাম্নি; ফীরান চুমথাং মভৌনি,
শগোল মু শিং মমাংথাই। দোলাই থক্তা তোংখৎলে
পাখো-কাকথক-ম'লদো, পাখো নাপল পুত্থনা,
মতমসিদা ফজবী প্রমিলানা পায়থনা
মপুরোইবা খুৎ অ'নি (ওম্বেক্রুস্থ ফজেদা
সনা-উরি য়েৎপগুম উ শাগৈ-মপুদা)
কপ্পা হায়জৈ ইবেম্মা— কৈদা লেঙলে ইবুংঙো,
থরাই-হেন্না চমবা, হুন্দোক্নুনা ননাইবু?
উঞ্রবদা নহাকপু, লাংবক-খীবী ঐহাক্না
মভৌ করম হিং'শগে? ভস্থোকপান ইবুংঙো
গুকপা বনগী মনু'দ', পুক্লুং-পাম্না ফজবা,
শামু মখোঙ্ উরিনা, মনী হরাও কুমৈদা,
শামু, পুক্লুং তাদনা চৎথ্রবম্ব মহাকপু
শরূপ পুবা, থম্বিকো চরণ-খোজাল পিত্থনা।
অত্থদবু করিগী গুণনিধি নহাক্না,
ননাই মুপী হুদোক্নি, ওসি কারো মুমিত্তা?',
নোক্না খুম্মি মেঘনাদ; ইন্দ্রজিৎপু ওমত্থনা,
সতি, নংনা গুনখরে, য়ান্না চেৎপা লিপুন্না,
লিপুন অত্থ খোকউবা কনা মতিক লৈবগে?
ঐহাক থুনা য়াইফবি! লাকে, নংগী য়াইফনা
রাম লান্দা হাংলগা! হৌজিক বিদাই পিয়োদা।

মখোল হৌনা মালংদা দোলাই খোইবা পাইরক্লে,
সনা-মণা তিংত্থনা মৈনাংদা চেংনা পাংবগুম,

মাগৗ ইঙাল ঙালহন্না। শাউনা লিরি চিংহুনা
লিরুং খিঙতি পাঙনবা, পাথৌশিংগী অংথোইবা,
উচেক-নিংথৌ খোংবগুম লৌচন'থক্তা কিহন্না।
সনা লঙ্কা নিকখরে, সমুদ্রসু নিকখরে।

রাবণ নিংথৌ থৌবাংঙি পাথৌ ময়াই কাহুনা;
লানগী পুঙজাও য়েখংলে, শামু খোংলে; শগোল্লা
খেক্লে, বথী পদাতিক পুক্লিং শাউনা ঙংনরে;
রেশম কীরান পাইর'ক্ল, অতিযাদা হাইগংথ্রে
সনা-চৈতেং-মঙাদো। মথম মতম অসদা
থুনা য়াঙনা যৌরক্লে মেঘনাদ ইন্দ্রজিৎ।

পাথৌ থোইবা ঊবদা নাপল রাংনা কাহুনা
চিংচাবশিং শাউরক্লে। মজইবুংঙো খুকমজ
মপাইবুংঙা চবন্দা, খুবং তবা লোন্দুনা
হঙচরে,—"লৈমাবা! ত'জরক্লে ননাইসু,
শিয়মক্তা রামদো অমুক হংলে হায়বদাই?
ইপা-ইবুংঙো থঙদরে, ম'য়া অসি নন'ইদি।
অহুযকপু ননাইদা সনা-খাগৗ পিবিয়ু,
মীমুখাংদো ঙসিদি মক ফংনা নোইহংকে।
কনবা তেনগী মৈচাক্লা উৎ ওইনা মাঙহনগে,
মাহু লোইনা পাইহনগে মুংশিৎ তেনবু কাপ্তুনা;
নত্রে রাঘব পুন্দুনা চবণথাদা কংচগে।"
মজাইবুংঙো কোন্দুনা মকোক চুপ্পা হৌজিক্তা
খোন্দম নেম্না হায়রকই সনা-লঙ্কা-মপুনা;—
"মাঙনা লানফম অসিদা হন্না হন্না নহাকপু
থাবা অসি ঐহাক্কী থরাই'সিনা য়ানিংদ্রে।

অরাবনি, বিধিনা, ঐবু মুংশিবিথিত্রে।
কৈদৌঙৈদা তাংশ মুংনা তাউবা ঈশিংদা,
কৈদৌঙৈদা তাথিবা অসিবনা হিংলকপা ?"

পাথৌ নাপল ভৌদ্রংনা হিংচা-তাথি য়েরুবা
হঙ্গচ্চয়ে ঃ—"লাইনিংথৌ, করি লৈবা মীঅদো,
মাবু কিবিকবরা ? ননাই লৈনা লাইনিংথৌ
লান্দা সনা-খোঙ্লেঙবা, মরোল অহুম অসিদা
মিংচংথিবা শনঞ্চন। শোয়াবেল্লা নোকনি ;
অগ্নিদেব শ উরনি ; খোংকম অনি ঐহাক্না
মায়থিহল্লে রঘবপু ; অমুক্তগা নচাদা,
পাবুং, য়াথং শিবিথো, হন্দকমুক্তি য়েঙ্লসি
করি হিদাক থাহুনা পাথৌ আস হিঙ্গংপা।"

হিংচা-নিংথৌ হায়রকই ঃ—"কুম্ভকর্ণ পাঙ্গল্লি,
ঐনা নবু শৌদোকউই মতম কায়না, কিহুনা ;
অরাংনি য়েংঙ্দা, মাগী মশা তাৱিবা
সমুদ্রগী মপান্দা, চিংগী মডোন নত্রগা
বজ্রচাবা উপালগুম। করে, লান্দা চৎপাসি
নংগী থরাই য়ুংলবা, অহানবদা ইবুংঙো,
নিংবা-লাইবু ইরাৎলু, নিকুম্ভিলা যজ্ঞদো
লোইথোকউরো, অঙনবা। লাঙ্গিং-পুরেল হাপ্পিরে।
য়েংঙু মুংথিল মবুংঙো নোংচুপ-চীংয়াঙ পকৃতোরে
হৌজিক ; য়ামগা, ইবুংঙো, অয়ুক লাম্হৈনরুকো।"

য়াহৈ অসি হায়হুনা, পথাপ ইম্না নিংথৌনা
গঙ্গাজলবু লৌহুনা মজাইবুংঙো বয়িরে।
থুদক অহুমরুদা বন্দী লৈশি-লৈথোরে
থীনা খোংনা ছুংজাইনা ; -"ওহ হিংচা মটেবাক।

অরাবনা তিন্দুনা নংগী শমলাং খোকথয়ে,
মিত্তা ঈয়া চেম্বয়ে! ওম্বোকপান নহাক্কী
মাংগ লুছপ অহুগা নিংথৌ কী.জৎ-তারেদো
মালেম লৈবাক মথক্তা, হে নিংথৌ ফজবী।
অরা-কোঙ্গায় থাহুনা, সাও হৌগৎপিয়োনে;
হিংচা-শাগৈ-মুমিত্তো নোংপোক-চিংদা খোক্লেসে।
ইমুং ওাঙ্গে নহাক্কী অরাবগী অহিংদো।
য়েংঙু, য়ানী, হৌগৎলো, কিবা ক না কল্লবা
ওইগী খুত্তা লিকংসে, লিকং-লৌরী খিংবদা
বৈজয়ন্তি কোম্মুদা ইন্দ্র তাইকেৎ তাইশিনবা!
তেন্দোং আসে য়েংঙুনে, পশুপতি য়াহনবা
পশুপত মাম্নবা খুৎলাইতনা থল্লবা!
গুনচেনবশিংদগী মগুণ চেনবা অথোইবা,
পাথৌ-থোইবা-শানিংথৌ, শক্ত মুক্তা পেম্নবা
য়েংঙু মেঘনাদবু। মন্দোদরী যাইকৈদা,
নিকষাগী মপারী রক্ষঃ পতি য়াহৈদা!
সনা-লঙ্কা য়াইকৈদা, পাথৌ-য়োকপী নহাক্তি!
অতিয়াদা পোকচবী খোম্থাংহনবী তাজয়ো,
খাই-পুম্বা তিন্দুনা খোঞ্জেন য়াংনা শকয়ো,
য়েক্কওম্বা ইন্দ্রজিৎ ল'নগী থৌয়াং তৌধৎলে।
রঘুপতি, বিভীষণ, হিংচা-শাগৈ-হামুক্তো,
দণ্ডকবনগী অত্তোনবা থবায়পানবা পুন্নমক,
লানশং কুংদা লিকসন্নু, অকিবনা থুম্নবা।
হিংচা-পুংজাউ থিম্নক্লে, হিংচাবশিং লাউরক্লে,
জয় জয় খোঞ্জেন্না সনা লঙ্কা থ্নথয়ে।”

ইতি শ্রীমেঘনাদ হাৎপা কাব্যদা লাঙ্জংপুরেন হান্না অহানবা সর্গঃ।

শ্রীরবীন্দ্রনাথ ঠাকুরগী
গীতাঞ্জলি

১

ঐহাক্কী ইকোকসে নে'লহনবিযুকো নহাক্কী
চরণধূলি মখাদ্দা।
লূপহল্লো ঐহাক্কী নাপলগী মপৈ
ইমিংকী তরং লাইজদা।
হোংনজৈ ঐনা ইমায়সি পাকনবা,
ওইনবি মত্তুনা ইমায়তা খুনবা,
ঐগীতা ঐনা হোংনজন্থনা
রাজরি মিকুপ খুদিংদা।
লূপহল্লো ঐহাক্কী নাপলগী মপৈ
ইমিংকী তরং লাইজদা।
ঐহাকপু ঐনা শন্দোকচন্দবা
ঐনা ভৌজবা থবক্তা
তৌবিযু নহাক্কী ননিং থুংনবা
ঐগী পুন্সিগী মন্নুংদা।
নিজবি নহাক্কী অথেংবা শান্তি
থম্মোইদা নহাক্কী অথোইবা কান্তি
নরুমদা থমত্থনা লেপ্লিয়ু ঐবু
থম্মোই থম্বাল লৈকাদা
লূপহল্লো ঐহাক্কী নাপলগী মপৈ
ইমিংকী তরং লাইজদা।

— — –

যাত্রী

'লাউ যাত্রী চঙলকউ
কপ্রে নঙসি নয়াইবক'

হায়রক্লেদো তুরেম্মা
'ঐনি নেঙগী তীর্থ হাংবদো।'

লাইশংনস্থ হায়বক্লি
'নত্তে, ঐনি তীর্থদী।'

কুঞ্জবননা লাউরক্লি
'বননি ঐদি বৃন্দাগী।'

কুণ্ডশিংনা তাকপির্রি
'লুপ্পরোনে ঐখোয়দা,
নপ'প অত্থ 'কাকথোক্কে
নউন ঙাক্তা থাবিগে।'

'তীর্থ হায়বু পাঙানি
কৈদা তীর্থ কৈন্ধবো?
কংলরে নে ঐ.থায়দা
কন্নি চিন্তা লৈবগে?'

ঙংলি থাউদা লক্ষ্মীনা
'হল্লো যূমদা পীক্লমু,
ঐবু ইগ পোকহল্লু
নঙগী র'ৎপা লৈহল্লোই।'

ঙাওখ্রে যাত্রী খঙখিত্রে
'কাব তৌ'নি' হায়গনি
মোমোন নোক্লি তীর্থনা
মতৌ অসি উত্থনা!

তাং ২১।১।৪৬ ইং।

খিজবা

নহাকপু থিবদা হৌখরে পুন্সি
কংদরে নহাকপু মফম কৈদম্থ।

তাকপিম্নু তাকপিম্নু কৈদনো অপোকপা।
পুন্সিগী লেংদবা মক্কপ ওইরিবা।
চাকত্রবা মৈহুংদা লৈবরা ইবুংঙো।
ইংগ্রবা লাইজদা কাঙ্গদোং ওইবরা?

নহাকপু থিবদা হৌখরে পুন্সি
কংদরে নহাকপু মফম কৈদম্থ।

লাইহন্দুনা মশাবু মাংহনবা মীত—
চানবরা মহাকপু নহাক্ক ইবুংঙো।
মশাবু য়োক্কুনা মুংঙাইনা থম্লিবা
মীহুবু নংনা হেন্দোক্ক য়াবরা?

নহাকপু থিবদা হৌখরে পুন্সি
কংদরে নহাকপু মফম কৈদম্থ।

নঙোন্দা চংলগা নহাক্ক পেনবরা?
জীবনা পেল্লগা নহাক্ক য়াবরা?
চঙজবু চানবিব চঙদবু চান্দবা
অহুগুম্বা মপুরা ইচা-মিচা নাইবিবা?

নহাকপু থিবদা হৌখরে পুন্সি
কংদরে নহাকপু মফম কৈদম্থ।

মথোদা লাইনিং ওইবদো নংগী
থোজানগী মিংয়েং কংদ্রবা মাদি
নহাকপু কৌহুনা কপ্পুনা লৈবা
ননাইনা কংত্রা মহাকী থোজান?

নহাকপু থিবদা হৌখরে পুন্সি
কংদরে নহাকপু মফম কৈদম্থ।

তাং ২৭।১।৪৫ ইং

মতমগী ঈচেল

চেম্মরি মতমগী ঈচেল
অপনবা লৈতনা,
রাজবা মতমগী লোক্তগী
ঈরম কয়া ওইনা।
চেম্মরি ঈরম খুদিংমক
পন্দবা (লম্বী) য়েংহনা,
তাম্নরি ভুরেন্দা তিনবা
অতংপা লৈতনা।
থেংনরি অপনবা কয়া
(লম্বী) ভুংজাওনচিংবা—
অকনবা মহৌশাগী পল
নমথায়বা রারবা।
ওম্মোইদ, ওম্মোইদা থিংবা
মহৌশাগী পল।
য়ারোইদা, য়ারোইদা থাওবা
খুৎশেমগী চেকপল।
কল্লবা মতমগী ঈচেন্দা
থাওনবা অতৈ,
লৈররোই, কংলরোই অমা
রাহেগী নাতৈ।
থিংজিন্নু অওকপা পাম্বৈনা
নমথায়নি ঈচেল্লা
হেন্দোকন ওকপা পাম্বৈনা
পাজল্লবা ঈচেল্লা।

থাঙলবদি মহুমতন্দা
থোকনি প্রপাত
মহুনা হেন্নহুম কজে
তাইবং কুম্মে থোক্লা।
চাপনীংলগা পলগী মপুন্সি
হল্লু হল্লু নাশিথোং
ঈথিল কনবা ঈচেনাসগী
নাশিথোংদি লাওহল্লু।
অঙকপনি মতমগী ঈচেল,
অঙকপনি মপাঙ্গল,
লাকপা ঙমদবা ঈচেম্নি,
ঙম্নরোইদবনি।

য়াইফবা ঙাক্তনি

য়াইকয়েম্বা। নহাকী থবক্তি য়াইকবা ঙাক্তনি,
নহাকী থৌদাম্ন য়াইকবা ঙাক্তনি।

থৌজালহৈবা। নহাকী থৌজাম্না অকিবা লৈতনা
পাথোগী কাঙবুনা লান্দা য়াইবী মাঙনম্নি,
মৈহুংদা মৈয়াম্না অথুকপা লৈতনা
মথরায়না পামজবা মথরায় থাবগুম।
নহাকী থবক্তি য়াইফবা ঙাক্তনি
নহাকী থৌদাম্ন য়াইকবা ঙাক্তনি।

চানবিহৈবা। নহাক্কী থোজাম্না পেম্মরি উটনা
তিংখংবু চাহ্নলা অহাওবা ওইনা,
হিংসুকনা লেম্মরি হিংলাতা তৌহনা,
ঙাকুনা গুঙাইহরি মীহাং মীপুম্না।
নহাক্কী থবক্তি য়াইফবা ঙাক্কনি,
নহাক্কী থৌদাস্থ য়াইফবা ঙাক্কনি।

মুংশিহৈবা! নহাক্কী থোজান্না ভক্তনা পেম্মরি,
নহাক্কী মিংলেনবু খোয়াংনা কৌরগা
হয়ওরে উরগা তুবন্নিংবা পৌমীনা
পাঙ্গলনা নোমজমন চাহিগী চরোংবু।
নহাক্কী থবক্তি য়াইফবা ঙাক্কনি,
নহাক্কী থৌদাস্থ য়াইফবা ঙাক্কনি।

তুরন্নিংবা! বিক্রুনা যোগীগী নীংথিবা লৈতেংনি,
লৈখোমদা এল্লগা ঈরোইনা পেনবনি,
কদায়না পাপনো কদায়না পুন্যনো?
অনিসি নঙোন্দা খেম্নবা লৈবন্না?
নহাক্কী থবক্তি য়াইফবা ঙাক্কনি,
নহাক্কী থৌদাস্থ য়াইফবা ঙাক্কনি।

পুন্সি হিদোম

পুন্সিগী ঈচেন্দা হোল্লি
ঐহাক্কী পুন্সিগী হিদোম,
যৈনা ঙ্গংনা চেন্থরি,
কিনম্ন মাসিবু থেংলুব্রা।
পুন্সিগী ঈচেন্দা হোল্লি
ঐহাক্কী পুন্সিগী হিদোম।

লাউয়ক্ল তোর্ব্বালগী মীনা
কারনো অঙাওবা হোজিল্লু,
তোর্ব্বাগ তানা পুশিল্লু,
কৈতনা করিগী হোল্লিবা!'
পুন্সিগী ঈচেন্দা হোল্লি
ঐহাক্কী পুন্সিগী হিদোম।

অরাবা মুংঙাইবা ঈথক্তা
মীরাগী-মুংশিং মরক্তা
কনাবিয়ু দনাহগী-হিদোম—
হোজগে ঈপক যৌনবা।
পুন্সিগী ঈচেন্দা হোল্লি
ঐহাক্কী পুন্সিগী হিদোম।

অনৌবা চহি

হৌগৎলেদো অনৌবা চহি (কুমজা)
লমদাগী নূরবা থানিন্দা ;
নুংঙাইবগী নিল্লবা ধ্বনি,
ধর্ম্মগী শেংলবা মঙান্দা।
হৌগৎলেদো অনৌবা চহি
লমদাগী নূরবা থানিন্দা।

চেকয়াদনি অমুবা নৈচিল
থুপচিল্লা কিজনা লৈরম্বা,
শন্দোকথরে মায়কৈ শীল্লা
নুংঙাইবা নুংশিংকী ঈহন্দা।
হৌগৎলেদো অনৌবা চহি
লমদাগী নূরবা থানিন্দা।

মাঙহনব্রেদো নুংঙাইবা থাবল
কৃপাশিনব্রে নূরবা অতিয়া
অমম্বতনা ওইরেদো লৈভেং
নিংথিরবা পৃথিবী সিগী।
হৌগৎলেদো অনৌবা চহি
লমদাগী নূরবা থানিন্দা।

এ এ ঙাল্লি মচি মচিন্দা
বিজ্ঞানগী অঙানবা থাউমৈনা,
উনিজিঙদা পূমঙান ঙানবদো
চহি কুমজা ওল্লিরৈঙেসিদা।
হৌগৎলেদো অনৌবা চহি
লমদাগী নূরবা থানিন্দা।

খোঞ্জেল

নহাক্কী নীংথিবা বাঁশীগী খোঞ্জেল
তানরি তানরি জগৎনা তত্তনা।
পুন্সিগী যমুনা ঈ-চলগী তোর্বন্দা
লেঙত্রবা উপাল কদমগী মখোঙদা।
নহাক্কী নীংথিবা বাঁশীগী খোঞ্জেল্
তানরি তানরি জগৎনা তত্তনা।
নহাক্কী অঙকপা বাঁশীগী খোঞ্জেল
মাংলবু লংহল্লি মালংদা তত্তনা।
যমুনাগী লাইতরেনবু ভাম্বা খোঙতৈ
কায়হনবিদে শাংনবীদা জগোই শাহনবীদা।
নহাক্কী নিংথিবা বাঁশীগী খোঞ্জেল্
তানরি তানরি জগৎনা তত্তনা।
নহাক্কী ওম্থোকপা বাঁশীগী খোঞ্জেল
কোরৌ মপুবু কোরৌ য়াওনহল্লি।
অতংপা লৈতনা কোরৌগী মপুনা
লেপহন্দে লাইজবু শাইওনহল্লিদা।
নহাক্কী নিংথিবা বাঁশীগী খোঞ্জেল্
তানরি তানরি জগৎনা তত্তনা।

শুরুবা অহিংগী নূরবা থাবল

শুরুবা অহিংগী নূরবা থাবল।
নহাক্কি লাক্লবোই খোংগলগীদমক্তা।
পামুদা তিল্লবো মুংশিগা উন্নরো
অমম্বদা নহাকপু ওংইথুনা লৈরিবা।
শুরুবা অহিংগী নূরবা থাবল।
নহাক্কি লাক্লবোই খোংগলগীদমক্তা॥

নহাক্কা লাকপদা অমম্বা চেনখবে—
নৌশিংগী মঙাম্না থম্মোইদা শাংখনি।
শংবানবা অত্যাগী থম্মোইগী মনি!
নুপাগী নঙাম্না লংহল্লে মালসি।
শুরুবা অহিংগী নূরবা থাবল।
নহাক্কি লাক্লবোই খোংগলগীদমক্তা॥

লৈতেংলে নহক্কী চান্নবা মরূপলোই,
থম্মোইদা ওাল্লবা শংবানবা পৃথিবী,
নখোয়গী তিল্লবা অসিনা য়াকায়রে
থম্মোইদা মপুগী অথুপ্পা লীলা হু।
শুরুবা অহিংগী নূরবা থাবল।
নহাক্কি লাক্লবোই খোংগলগীদমক্তা॥

নশকস্নু খঙদবা নমিংস্নু তাদবা

নশকস্নু খঙদবা নমিংস্নু তাদবা

নংগুম্না খঙনবা অমা লৈরিগদ্রা ?

খঙনবা। নংগুম্না তোয়নবা অমা

ফংগদ্রা লৈরিস্রা তাইবং অসিদা ?

নমুদা, পামেন্দা, খাম্বিদা লাইজদা

নংবুতা থেংনৈ মতম মফম খুদিংদা।

নশকস্নু খঙদবা নমিংস্নু তাদবা

নংগুম্না খঙনবা অমা লৈরিগদ্রা ?

রাখল্না' মম্বনা মীবাম্বনি থল্লুবে,

থোইনা মম্নুং ফাঞ্জনবা ঐগী ওইবা . হ নপু।

য়েংউবা মাইকৈদা উখিদ্রে অতৈ

অঙকপা, নহকী থোজানবু নহনা।

নশকস্নু খঙদবা নমিংস্নু তাদবা

ন'গুম্না খ'নবা অমা লৈ' দ্রা ?

নহাক্কী ওইবা নশকপু ননাইদা উংপিয়ু

নহাক্কী ওইবা নশকপু ননাইদা

উৎপিয়ু উৎপিয়ু ইবুংঙো চাহৈস্লবা।

(নহাক্কী নশকপু খঙবা য়াওববা ?

নহাকপু উক্কবা কনা য়াওবগে ?)

নহাক্না শেম্বিবা তাইবংনা উনবা
পোৎশক্তা ফজবা খন্দুনা খন্দুনা
নহাক্কী নশকপু লিংখৎলি ত'ইব'না;
ওইবিদ্রা ওইবিদ্রা মাহুৎ নহাক্না ?
নহাক্কী অওইবা নশকপু ননাইদা
উৎপিয়ু উৎপিয়ু ইবুংঙো চাইহ্লবা।
অদকপা তাইবংগী মীয়োক্না ইবুংঙো
নঙোন্দা কচ্চবা ফিংকমগী পরেংসি
মক্তুবা নহাক্না লৌয়িদ্রা লৌবিদ্রা ?
তাকপিয়ু তাকপিয়ু মক্তুবা ননাইদা
নহাক্কী অওইবা নশকপু ননাইদা
উৎপিয়ু উৎপিয়ু ইবুংঙো চাইহ্লবা।
নহাক্কী মক্তুবা নশক উৎপিয়ু
নহাক্কী মক্তুবা নমিং তাকপিপু
চানবিয়ু, অঙানবা, মক্তুবা নঙাক্না
অমম্বা লমদগী থম্বিয়ু তোঙাক্না।
নহাক্কী অওইবা নশকপু ননাইদা
উৎপিয়ু উৎপিয়ু ইবুংঙো চাইহ্লবা।

— —

ননাইদা পীনরে মক্ত্রবা থৌজাল

ননাইদা পীনরে মক্ত্রবা থৌজাল
চানবিহৈবা পীনহৈবা ইবুংঙো !
নহাক্না পীনবা অথোইবা শিক্ষা
কংলরোই কংলরোই অতৈ অমদা ।
ননাইদা পীনরে মক্ত্রবা থৌজাল
চানবিহৈবা পীনহৈবা ইবুংঙো !

ননাইবু থম্বিরে মুংঙাইবগী ওম্পাক্তা
অরাবা মমিনা শমনা-মকৈ শোক্ত্রবা !
হুম্বরে অমুকস্তু অরাবা ঈপাক্তা
মাসিবু লাম্থোকপা ওমগনি নিংত্রবা ।
ননাইদা পীনরে মকত্রবা থৌজাল
চানবিহৈবা পীনহৈবা ইবুংঙো !

ফুদোংলে ননাইগী শমেৎপা পুন্সি
হন্না হন্না ইকুমা অর'বা খাম্বীদা ;
থওজরে ইবুংঙো ননাইবু চানবিবা
শেম্বিয়ু নহাক্কী ননিংহু থুংনবা ।
ননাইদা পীনরে মকত্রবা থৌজাল
চানবিহৈবা পীনহৈবা ইবুংঙো !



করি পাউনো হায়্দু বসন্তগী য়েন্নৌ

করি পাউনো হায়্দু বসন্তগী য়েন্নৌ
নৌনা তাইবংদা লাক্লিবা।
কনাগী মপাউনো, কনানা থৌদারকপনো ?
মুংঙাইবা শককম পুত্থনা
তাইবংসিদা নহাক্না ঙাম্বোক্লরিবা
নিংথমগী মৈনা চাক্লবা
খঙলেদা খঙলেদা নহাক্পু য়েন্নৌ
নহাকল্লু থৌদারকপত্থু;
ঙাম্বোক্লো নিংথিরো পুন্সিগী হৌবদা
মপুগী থৌদা ইন্দুনা।
চাওখৎপা উৎলম্মো অয়োইবা পম্বেং
অচাউরম কাবা তাইবংদা
অহুদগী উৎপিরম্মু লেপ্তবনি, তাইবংগী
মশাবু কাউবা তাইবংদা।
উৎলম্মো উৎলম্মো বসন্তগী য়েন্নৌ।
লেপ্তদবা মপুগী থৌরাং
উজসন্নু তাইবংনা পোলোই অহু নহাক্কী
খঙনা খঙনা খঙত্রবা।

তাকপীরি নহাক্না খুদম্না উত্তুনা

তাকপীরি নহাক্না খুদম্না উত্তুনা
অহৌবা অরোইবা জীবগী পুন্সি।
উৎপিরি নহাক্না চৌংথৈগী ফিতুপ্না
জীবদা লৌশিংগী ঈহৌরকপহু,
পামুবা পুন্সিগী অরোইবা শরুকপু
কোয়েৌগী অরোইবা য়াচংলকপদা।
তাকপীরি নহাক্না খুদম্না উত্তুনা
অহৌবা অরোইবা জীবগী পুন্সি।
অচিকপা অশংবা মালংবা ঋতুনা
ম তুদা ঈথকী পরেং হৌহল্লি
অথাকপা অবাউবা নোং মুংশিংনা
পুন্সিগী ভমথিবা খুয়ৌ ওইনরি।
তাকপীরি নহাক্না খুদম্না উত্তুনা
অহৌবা অরোইবা জীবগী পুন্সি।
নুমিৎকী থাগী তরেপ্না খোঙচৎনা
মৈগী ঈশিংগী তোংদবা মগুন্না
পুক্নিংগী ফিবম তম্বিরি নহাক্না
অরেপ্না লৈতবা তাইবং ম'লং পানবদা।
তাকপীরি নহাক্না খুদম্না উত্তুনা
অহৌবা অরোইবা জীবগী পুন্সি।
নোংথাং ওম্লবী পৃথ্বী ওঙ্গী লৈপাকলৈ,
সমুদ্র ওন্না মুংশিং ওম্বী মালিকাদা
উৎপিরি নহাক্না থমোইগী ফিদম
অথোৎপগী পাজল অকনবা ময়ক্তা
তাকপীরি নহাক্না খুদম্না উত্তুনা
অহৌবা অরোইবা জীবগী পুন্সি।

ফাওবিরো ইবুংঙো থমোইগী মপু

ফাওবিরো ইবুংঙো থমোইগী মপু
ননাইগী থমোই লৈরাংদা।
নহাক্কী লীলাগী অথুপ্পা মরোল
কনানা খঙবা য়াওবগে ?
পীবিরো ননাইদা নহাক্কী শিন্থা
তোল্লবা পুন্সিদা পাঙ'ঙম্বা
ফাওবিরো ইবুংঙো থমোইগী মপু
ননাইগী থমোই লৈরাংদা।
শেম্বিরো অপোকপা ননাইগী পুন্সি
নহাক্কী নখুৎ চানবা
য়াজরি ননাইনা ফাঁগাও শানা
কৌশিংগী মঙাল ফংদ্রবা।
ফাওবিরো ইবুংঙো থমোইগী মপু
ননাইগী থমোই লৈরাংদা।
নহাককী শিন্থাদা খিজরোই ননাইনা
অরাবা মুংঙাইবা মশকপু
নিজরোই ননাইনা নহাককী দানদা
অপাম্বা পামদবা খায়না।
ফাওবিরো ইবুংঙো থমোইগী মপু
ননাইগী থমোই লৈরাংদা।
অরাবা মুংঙাইবা অসিবু প্রভু
খেন্নবা ননাইদা থম্বিনু।
অপাম্বা পামদবা অনিগী মশক
উংপিয়ু ননাইদা মান্নবা।
ফাওবিরো ইবুংঙো থমোইগী মপু
ননাইগী থমোই লৈরাংদা।

নুংঙাইবগী মনাই নুংঙাইবা পাম্বা

নুংঙাইবগী মনাই নুংঙাইবা পাম্বা
ঐহাকসে কোয়রিযে নুংঙাইধা থিবা,
নুংঙাইবগী খোঙ্গুল লীবদা হৌগ্রে
পুন্সিগী মতমসি, নুংঙাইবা ফংগ্রে।

নুংঙাইবগী মনাই নুংঙাইবা পাম্বা
ঐহাকসে কোযরিয়ে নুংঙাইধা থিবা।

লৌশিনবদা ওইত্রা পীথোকপনা ফংবা
অশেংবা নুংঙাইবা—পুন্সিগী পান্দম?
মপাঙ্গল কনবনা নহাক্কী লৌকম্না?
অশোনবা মখৈদি ফানকম লৈতব্রা?

নুংঙাইবগী মনাই নুংঙাইবা পাম্বা
ঐহাকসে কোযরিয়ে নুংঙাইবা থিবা।

কৈদনো লৈবিবা নুংঙাইবা নংনা
তাকপিয়ু তাকপিয়ু নহাক্কী নফম;
কংলক্লে পুন্সিগী পামুবা মতম
অয়েম্বা কৌশিংতা পুত্থনা লেপ্লে।

নুংঙাইবগী মনাই নুংঙাইবা পাম্বা
ঐহাকসে কোয়াবিযে নুংঙাইবা থিবা।

থবক পাঙ্গৈরো

বাঁশী খোংলে তাজৌ পুক্লিং
নংবু কৌরে লৌবুক লোমদা
কুমগী নোংদি চুথবক্রে
কব্রি তৌরি নংনা 'সিদ'।

> বঁশী খোংলে তাজৌ পূক্লিং
> নংবু কৌরে লৌবুক লোমদা।

পায়বো লাঙ্গোল পায়রো থাঙ্গোল
চংলো নংগী নথৌ শূবা,
মতম চানা নৈলংগৌদ্রগা (শূহৌদ্রগা)
হযেং তুংদা চক খাওনি।

> বাশী খোংলে তাজৌ পূক্লিং
> নংবু কৌরে লৌবুক লোমদা।

মহৈ চুম্না খাওজনীংলে
কুমজিন্দগী হোংনজ হী,
চহি চরোং চারমদাইদা
কাউন্নু নংগী ফৌকুংবু

> বাঁশী খোংলে তাজৌ পূক্লিং
> নংবু কৌরে লৌবুক লোমদা।

থনবগী লোইদবা

থনবগী লোইদবা।
নিংবগী পেল্লবা।
নহাক্কী থবকতি
রাখনগী রাংমনি।

নহাক্কী থৌজান্দি
জগত্তা শিস্থগ্নি;
নহাক্কী নিংথিবা,
জগৎপু শুম্নাংলি।

অতোনবা অচৌবা
খাযল্লমদে, ফংমগ্নি
থেম্নবা লৈতনা
মক্ত্রবা নগাল

মাহুবু খল্লুদে
নহাক্কী থৌজাম্নি;
খল্লুবে মাহুবু
মতোমতা থোকপনি।

মৈতৈ লোনগী পদ্য-ছন্দ

মৈতৈ লোন্দা থ বল চোংবীনচিংবা শকনরিবা ঈশৈগী ছন্দ অসি সিলেবল ৬, ৭, ৮, ৯ না পদাংশ অমা শাই। চাং কয়া নাইদে। শকলকপদা তান চানবা, খরা ভেল্লগা খরা চিংনা, খরা শাংলগা খরা খুজিনা হাঈনৈ। মৈতৈ লোন্দা ছন্দগী অককপা নিয়ম লৈতে। মমাংঙৈদা কনা কনাগুম্বনা বাঙ্গলা পদ্যগী মতৌ তমন্থনা ময়েক্তা মশিং থিরমই, মন্থ কয়া খুদোং চাদে। ইংরেজী পদ্যগী মতুংইন্না সিলেবল মশিং থিবনা য়াম্না খুদোং চাবা হেন্নি।

মৈতৈ লোনগী পদ্য অসি তাবা নুংশাইহনগে হাঈরবদি ছন্দ, যতি অসি অককপা নিয়ম অমগী মতুং ইন্না থমগদবনি।

নিয়মদি :—তরেৎনা সিলেবল, পদ অংশ শাবিয়ু।

সিলেবল অনি নত্রে মরিদা যতি মকম থম্বিয়ু।

(১)

খোম্থোক মশিং তরেৎনা পদ অমা শাবিয়ু,
মকোক্তগী মরিদা যতি মকম থম্বিয়ু।
নত্রে অনি অনিদা যতি থম্বা য়াগনি,
পদ করা কয়ানা শ্লোক অমা ওইগনি।
ছন্দ পয়ার চৌপদী ত্রিপদিবা তাবিয়ু,
খরা চিংবা খোম্থোকনা খোম্থোক অনি লৌবিয়ু।
(পদ অনি তিল্লগা পয়ার পদ ওইগনি।
খোম্থোক তরেৎ শুবদা যতি মকম লৌগনি।
মথক-পদ পয়ারগী অনি থোকনা থাইবদা
ত্রি-পদী অশাংবা ওইবা য়ানি পাবদা।)
মমৈ থংবা মান্নবা মান্নদবা য়াগনি,
নব-ছন্দ অহানবা মমিং অসি ওইগনি।

ব্রেকেট মন্থুংদগীসি অশৈবগী এতোপ্পা খুৎই অমদা কংজবনি।

(২)

মরি মরি, খোঙ্লোক অরেং,
পদ অহুম শৈরেংদা ;
(মমৈ) মান্নহনবা, মান্নদবা,
অরেংবগী পুকনিংদা।
করি হাইনি ফজবনি
পরেং অহুম শৈরেংদি ;
[নব-ছন্দ অহানবনি
অহুমগুবা পদনি।]
নব-ছন্দ অনিগুবা
কৌরবনি মমিংদি।
[থোইহিগুবা অনিগুবা
নব ছন্দ কৌবনি।]

থার্দ ব্রেকেট অনিগী মন্নুংদা য়াওরিবা পরেংশিং অসি মথক-মথক্কী পংতি অনিগী নাকলদা অশৈবনা ইবিরবনি।

তোম্ন লাইজিংলেম্বী কাব্য

অনিঙবা চথক

লৈপুন শেম্বা

কাইরেন থাগী থানিন্দা,   ওসি লাইরেন নোংজাদা,
অয়াংলৈমা-উমংলাই কবোক-চাইবা মুশিংনি।
অয়াংলৈমা-লাইমনাই,   কুমাবগী ময়ানয়াই,
কুমজা খুদিং তিনহুনা কবোক পোককম ওইবনি॥
মুমিংনা ময়ুম চংনিংবা,   মুংশা নেমনেম শারিবা,
হৈনম, লৈনম পুহুনা মলয়া মুংশং নামিবা।
তপনা তপনা শিংলকপা   লৈবাং মকা ফল্লকপা
মুমিদাংয়াইগী মতমান মংগী পুকনিং মুংঙাইবা॥
তিংদা য়াংদা কজবী   থংজ মানবী, তথোংপী,
মোইরাং-লৈমবোন তংরেৎমক শমনা লকলে, তিল্লয়ে।
থাবল কবা অহিংদা,   শংবানবা অসদা,
থরানমিচাক ময়ামনা থোকপা মঙৌ ওইবয়ে॥
বসন্ত-মুংশিং কংলবী,   কামগী তেম্মা পাল্লবী,
পাঙ্গমা লিংজেন কল্লবী মোহনাং চহু থিবিক্তো।
শামান লেংমান তিনদা,   লাহগী কবোক পোকপদা,
য়াহৈ কারন চম্নদে, পুক্কী য়াঙ্গম ফোংদেক্তে॥
"লাইগী সেবা শোঙ্গথিনি,   য়াঙাং তিলাং চোংথিনি,"
অসিনা লহনিং শইহুনা, থরাই য়াওনা হোৎনরি।
মতম তাঙ্গা অসিদা,   কেগে মোইরাং লৈবাক্তা,
কদেং থাংজহনবগী, পুকনিং য়াওনথোইরকলে।
পাথৌ লমলোই চাম্নবা,   কেগে মোইরাং অঙম্বা,

মোইরাং ভারুংহনবগা, থাজ-লৈকাই কোইরকলে ॥
অসুম অসুম লাকপদা, কুমাবগী মহুমদা
অমুক-থোকপা-হুমিংকুম, পাখং অনি থুংলুরে।
মৌরাংথাংগী মরূপসু, লৈশাবীগী কাংবুসু,
থরাই য়াওনা নোমহুনা কবোক পোকপা হোৎনরি ॥
শরৎকী অহিং অরুবা, অতিয়া-লাইবক শংবান্‌বা,
থয়ানমিচাক মরক্তা থানা লৈতেং ওইবগুম।
কুমাবগী মহুমদা, লৈমশিংগী মরক্তা,
তোম্বু লাইজিং-লেম্বীনা, ইভান ভাম্না লৈতেংই ॥
অভান-থাজা থেংনরে, মিৎকম মরি তিম্নরে,
থাংজিংনা লৈপুল ওইহল্লে, মিৎকম হোংবা য়াদরে।
মাইথোং অনি ভাংশিল্লে, থমোই নিংদোল চোংনরে,
হুকচাং তুবু চুংহুনা তাইবং অসি মমথরে ॥
ভাইহাক পুংজা লৈরগা, কদেং থাংজহনবগী,
পুকনিং-লৌশিং লাকুনা শককম থুনা চঙ্খিল্লে।
পুকনিংগী য়ারোল অথুপ্পা, থরাই হেন্না চায়বা,
মতাও ভারুংহনবদা, নাপচিকনা খংহল্লে ॥
শমলাং কোইগকনরিবী, থম্বৌ হেন্না মাল্লবী,
নুরা তোম্বু উবদা, পুক্লিং কাওমদহুনা
কবোক পোককম লমদমদা, লৈমশিংগী মমাংদা,
কাংগিজুগাই তৌরকই, লমচৎ থরা কাঈহুনা ॥

তোম্বু-লাইজিং-লেম্বীনা,
ইকাইথিবী উরিগুম,
মাইথোং থম্বাল ভাংশিন্না,
বসন্তগী কোকিলগুম,
ইংনা-মেংবা খোঞ্জেল্লা,

চিঙোই মপাও খুমলকই :—
"মোইরাংগী তাদা অনিমক।
লাইগী কবোক পোকলিউ,
কাপিজুগাই তৌহৈদে।"
নুরা মপাও তাবদা,
কদেং থাংজহনবদো
ইকাই-সেঙোই হাংহুনা,
চিঙোই পাওখুম পিদরে।

হুমিৎনা চিংয়া থাংলবা,
তময়া কোরি চেল্লবা,
মৌগী কুচু কজনা,
লৈহাও-লৈরেন মাল্লবা,
মতম অচু ওইহবদা,
কবোক পোকপা লোইহুনা,
মোইরাং-লৈমা পূম্নমক,
ময়ুম পাংনা হল্লাখ।
নুরা তোম্বু হবেম্মা,
লৈরাং পোমশাংনবীস্থ,
ওাম্বু লৈদা চংপগুম,
ময়াইকাবা শামুগুম,
কাইদ কাইদা থোকলকই।
মনাই লাইজিং মানবীনা,
তুংদা থোগল তৌরকই।
নুরা পাখং উম্নরে।

কদেং থা জহনবনা,
তোম্বু-লাইজিং-লেম্বীদা,

নোংগৌবা ইথৌ লাংবগুম,
চিঙ্গোই মপাউ হংলকই ;—
"নুরা-লৈয়াং ইবেম্মা।
থৌখংদবা হ'ঈগম্নু,
লমচৎ খংদে শোনগম্নু,
নুরা নপাউ হ'ংজগে।
কোলোই কবি থোনবগে ?
পম্থৌ পলেম কনানো ?
লৈকাই কৈদা লৈবগে ?
নুরা নপ'উ তারগা,
পাখং পুকনিং ই'ংজগে।"

তোম্নু লাইজিং লেম্বীনা,
চি'য়াদবু শাৎলিবী,
তময়াদবু যাঙ্গোইবী,
লমহাং-চৎপা মীশিংদা,
পুকনিং-আশা পিনবী,
পুকনিং ইনৌ নৌহনবী,
তামনা গুমনা খুমলকই :—
"মোইরাং'ঙম্বা ইবুংঙো।
নুরা ঐগী ইমিংদি,
লাইজিং লেম্বী কৌইদা ;
মোইরাং-লাইজিং লাকপনা,
নুবা পোকপা পম্থৌনি ;
তোম্নু লৈমা হাঙ্গবগা
নুরা পোকপী পলেমনি।"

কদেং থাংজহনবনা

পাঙমা'মুংদা থল্লকই :—

'কজেদকো ইবেম্মা!

য়েংবগী পেনবা লৈতরে—

মালংবনা হুম্বদা,

থম্বাল লৈরিক-মতৌগুম

খাইথাঙ্গ খাইথাঙ্গ তৌবিবা,

কোইতক তাবা শমলাংনা,

কামগী লিরুং ওইবগা

মোমোন নোকপা মিনোক্না,

লিরুং লিরি চন্দুনা,

মিংচি তেম্না কাপ্লসে,

পাথং ঐগী থম্মোইদা,

তেম্না থুমনা পাল্লরে।

মলয়া মুংশিং য়াইকবা!

নুরা খোৌগল কংহুনা,

তাউজিং হৈনম নিংথিবা,

লৈরাং মনম মুংশিবা,

নশা থিংনা চুরগা,

পাথংগী কাদা ওৎলবা,

ওম্মোকনা মুংশি হৈতেদা॥

নুরা তোম্মু নগাক্তি,

পাম্বোম তাবু য়েংবস্থ,

অনন্তনা তমজবা;

খুবোমতাবু য়েংলগা,

লফু লেম্প্রা মাল্লিবা;

কোক্তা হৌবা শমলাংমু,
নিংছু তমনা হাঙ্গৈথবা,
কপলাক যোগে তাল্লিবা;
কামগী জিরুং ভমজবা,
পিগুম অনি নিংখিবা,
মিন্না থম্বাল অনিদো,
য়েংবগী পেনবা নাইদবা,
চেংলৌ তমনা য়েংবমু,
থানিল-থাজা সাল্লিবা।
ভেনরা কৌবা চেকলানা,
লৈদা নোমনা চৎপগুম,
নুবা শাজৎ শেংবমু,
নিংখিবা খিবিক তিল্লিদা।
লৈরাং নজৌ য়েংলগা,
খোইমু লাবা খ্বাংজেংবা,
থমোইনুংদা ঙংজরি।
ভুরেল লাইজা ঈহৌবা,
চাংজৌ পানা চেল্লগা,
ভুরেল মযেং ত'বগুম,
পাথংগী পুকনিং রাবসি,
কনাদা কোংদোকলুরগা,
অরাবা মৈচাক কোক্কবা!"

ভোমু-লাইজিং লেম্বীমু,
পাজৈমনুংদা থল্লকই:—
"নোংশা চরামনরবা,

মোইরাং পাখং অথোবা !
ওংম্বাকনমু ফজেদা !
য়াম্না খোঞ্জেল ত'বমু,
চাকনা শাবা কালেন্দা
চন্দন লাইজা খিকপগুম
থমোই য়োনা ইওভিদা।
চেংলৌ শকপু য়েংবদা,
ভাইবং-খোমা পিনবা,
নৌমা খোকপা সুর্য্যগুম,
ওন্থোকনা পুকনিং হুখয়ে !
ননাও লাইবক-খিবৈনা,
নোংগৌবী কৌবা চেকলানা,
নোংদোল লাইজা ভাইবগুম,
মুংশি নপাউ ভাইবদি,
মতম য়ামনা কুইরেদা।
শাবি ইবুংঙো মুংশিবা !
কেগে মোইবাং লৈকোঙ্গীবুং,
ভোমশাংনবী লৈছাউবু,
পামু খুংনা হক্কুনা,
থংলেন নাদা চিনবিমু।"

মতম ভাঙ্গা অসিদা,
নুবা-মাঙ্গীথোং শেমনরে,
শানৌ পুকনিং থোনরে,
ভে'মু থম্বাল মানবীগী,
নাচোম মনম ফংহনা;
খোইমু অমা পাইরকই।

থাংজহনবা অঙম্বা,
খোইমু য়েংনা হাঙ্গৈবকই :—
খোইমু! নংনা ভংলবা,
নৈরাং খিবা লাকপরা ?'
মোইরাং পাখং ঐহাকসু
কেগেম্বীদি নৈকোঙ্গৈবুং,
মোইরাংগীদি নৈতেম্বুং,
অসুক চাউব। নৈপাক্তা
ঐগী পুকনিং ত'জব',
নৈরাং অমত্তং উজরে।
পাখংগী মথোক কাবগা,
নৈরাং মাগা শিন্নব',
য়ানি য়াবোই খংদরি,
মপুগী মরা তাদরি।"

তোম্বু-লাইজিং লেম্বীনা
থম্বাল য়েংনা হাঙ্গৈরকই :—
"সুমিৎ মাবু য়েংহনা,
মকা কন্না শাচ্চবা,
থম্বাল কৌবী নৈন্নুংশি,
মমাই মকনা থনম্বা,
ইবুংঙো সুংশি হৈহেদা।"

অহুগী মতুং থোকপদ',
কদেং থাংজ হনবগা,
তোম্বু-লাইজিং-লেম্বীগা,
পাঙ্গমা য়ারেপ তৌনখি :—

"চেকলাগুমনা চাকতাসি,
পোম্বীগুমনা চাকতিনসি ;
লৈরাং নাচোম শেম্বগুম;
পুন্না লৈনম শন্দোকসি।"
পলেম গুমসি রাশকনৈ ;
পম্বৌ গুমসি তেমশিংনৈ।
মোইরাং পাখং অনিদো,
অরা-মুংঙাই য়ান্দুনা,
ময়ুম মাঙৈগে পাংলকলে।
লাইজিং লাকপা মমোমস্থ,
মনাই লাইজিং-মানবীনা,
তুংদা থোগল তৌদুনা,
মরানয়াহ মাঙৈগে তমলকই।

য়াংলৌ লম্মথাংহন্দা,
লাইজিং-মানবী মনাইনা,
চিঙ্গেত মশাউ হাঙৈরকই :—
"হৌজক মতম অসিদা,
বসন্ত নথোং পাল্লেদো।
বসন্ত মূর্তি চোংথোকলে।
কনানা খবা তমগনি,
বসন্ত খুংশেম চংখসে।
বৃন্দাবনগী নত্তেদা,
রাহোং খুগেল চাকতাবা,
কোকল জোড়া খোংলিবা,
তেনরা পুংবা তোংলিবা।
কেগে মোইরাং লৈপাকস্থ

শেন্দাং অনি চাকতারে
চোঙগা যুগোল চিন্দিরে,
থোইনিং পোৎমা থোংলেদো।
মীগী লমনা হেন্দরে,
য়াৎপা কৌবা লৈতরে।"

তোম্বু-লাইজিং-লেম্বীনা,
অশুকপা ঈরেল-মতৌগুম,
ইংনা লেম্বা খোজেম্না,
লাইজিং য়েংনা হাঙীয়কই:—
"চানবিহৈবা ঈশ্বরনা,
তাইবংপানগী পোৎলমসি,
মশিং শুনা শেম্বিরে।
জীব পানবা খুদিংগী
কাম পিরে মশাদা।
কামনা ময়ম ওইহুনা,
থবাই পানবা খিবিকনা,
জগৎ অসি থম্লেদো।
মতো অসুম তৌহুনা,
হৌজিক ঐখোয় পোকলরে।
কামগী পম্বাং হাইগৎপা
প্রেম হাঙীনা কৌবনি।
থবাই পানবা অতৈদি,
কামনা পখে থেংবনি।
প্রেমগী মপু ওইবদি,
মীতনা ওম্বনি।
অহুম অহুম ওইনমক,

মীসু কংবা রানরি
প্রেমগী লৈথাক য়োরগা,
খমন্নুং থুনা য়োখরে;
লাইগী লাইরক তিন্দুনা,
মুংঙাইবতা কংখরে।
প্রেম ছাঙ্গবা অসিনা,
তাইবংবান্দা লৈবনা,
তাইবংবান্না হিংবনি—
প্রেমনা মরম ওইহনা,
মুংশিং তত্তনা শিংপিরি।
প্রেমনা মরম ওইহনা,
মুমিং থান্নু থোকপিরি।
প্রেম অসি লৈবনা,
লাইজ থরাই হিংনরি।
প্রেমতনা য়েম্বোকলি,
মহে চুম্বা উপাসনা,
তাউজিং হৈরাং খিবিকপু।
কামগী মওং খংদবা,
প্রেমগী মশক খংদরে।
কোলোঙ্গ য়াইফরেনবগী,
ময়াথং ঙাক্নুনা,
অরাংবা থাক্তা কাবনা,
নমু পোংওইবশিংগী,
তৌগদবা মথৌনি।”

মানবী মপাউ খুমলকই:—
“হোজী ইবেম্মা! খংজরে,

জুরা কাঙবা এখোইদি,
লাইগী য়াথং ভাকত্রদা।
নবক তাঁবা তারেদা।
(লাইসি) মীচং-মীথংগী নাইত্রেদা!"

লাইজিং লেম্বী থুমলকই :—

"য়াকনুদা 'মানবীও।
থাঙজা খঙবুং নাইরোইদা,
লাইগী কৃপা লাকনি ;
মরিংনা থুম্মুক শাবদা,
জুরা কাইদবনিদা।"
য়ারি শানা লাকপদা,
মরানয়াঙদা য়োবকলে।
তোম্বু অরা পোংখোকলে।
তোম্বু লাইজিং-লেম্বীদো ;
শিম্বা পুকনিং চংদরে,
পলেম নাক্তা ফনিংত্রে,
পম্বৌ-কান্দা চংনিদ্রে,
শিঙেল মকপ শানিংলে ;
মানবী নাক্তা থমলগা,
পাঙমা খোঙয়াং কোকনরে।

কদেং থা জহন্নবস্ত,
থবক লাঙ্গোই থাদোকলে ;
মোইরাং ভারুংহনবগী,
মরানয়াঙদা চত্তুনা,

পুকনিং ঈচিক হমরে।
মতৌ অন্থম তৌহনা,
তোম্থ-থাংজহনবদো,
মতম করা লেপ্লকলে,
পুকনিং ঈহনথোইহনা।

———

লোইরবা